দাদা ভগৱান প্ররুপিত

# ভাৱনাদগী হোংদোকই মপোক কয়া-কয়া

(৯ কলমশিং এক্সত্রেক্টনি, শাস্ত্রা পুন্নমকশিংগী)



Manipuri

দাদা ভগৱান কথিত

# ভাৱনাদগী হোংদোকই মপোক কয়া-কয়া

**'Edited by Dr. Niruben Amin and Translated in Manipuri by Followers '**

**Publisher** : **Mr. Ajit C. Patel**

Dada Bhagwan Vignan Foundation,
1, Varun Apartment, 37 ,Shrimali Society,
Opp. Navrangpura Police station,
Navrangpura Ahmedabad: 380009
Gujarat,India.
Tel: +91 79 3500 2100, +91 9328661166/77

© : **Dada Bhagwan Foundation**

5, Mamtapark society, B/h. Navgujarat College,
Usmanpura, Ahmedabad-380014. Gujarat-India.
Tel: +91 9328661166/77
Email: info@dadabhagwan.org

**All Rights Reserved. No part of this publication may be shared, copied, translated, or reproduced in any form (including electronic storage or audio recording) without written permission from the holder of the copyright. This publication is licensed for your personal use only.**

**First Edition** : 500 copies May, 2023

**ভাৱ মমল** : ‘পরম বিনয়’ অমসুং
‘ঐ করিগুম্বা অমত্তা খঙজদে’, হায়বা ভাৱ !

**Price** : 40 ₹

**Printer** : Amba Multiprint, in front of H.B Kapadiya New High School, Chhatral-Pratapura Road, Chhatral, Ta.Kalol, Dist.Gandhinagar-382729, Gujarat.
Phone : +91 7935002142

**ISBN/eISBN** : 978-93-91375-44-7

**Printed in India**

# ত্রি-মন্ত্র








নমো অরিহন্তানম

নমো সিদ্ধানম

নমো আয়রিয়ানম

নমো উবজ্‌জায়ানম

নমো লোয়ে সব্বসাহুনম

এ্যায়সো পনচা নমুক্কারো

সব্ব পাবপ্পনাশনো

মঙ্গলাণম চ সব্বেসিম

পঢমম হৱই মঙ্গলম ॥১॥

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায় ॥২॥

ওঁ নমঃ শিবায় ॥৩॥

জয় সচ্চিদানন্দ



## দাদা ভগৱান কনানো?

ইং1958গী ইঙা থাগী নুমিদাং ৱাইরমগী পুং৬ মতন্গি, মীয়াম্না, পীক-থল্লবা সুরত শহরগী রেলৱে স্তেশনদা ফমলিবা শ্রী এ.এম পাতেল মওং ওইবা হকচাং-মন্দির 'দাদা ভগৱান'বু মপুংফানা ফাওগৎখিরম্মী অমসুং মহৌশানা শেল্লকপা অধ্যাত্মাগী খ্বাইদগী অচৌবা অঙকপা। পুং১গী মনুংদা ব্রমহানবু উখিরম্মী। 'ঐ কনানো? ভগৱান কনানো? জগত কনানা শিল্লীবনো? কর্ম করিনো? মুক্তি করিনো? 'অসিদসু নত্তনা জগতকী অধ্যাত্মাগী ৱাহং কয়াগী মপুং ফারবা খোংফম লম্বী প্রগত ওইখি।

মহাক্না ফংখিবগুম্না, মদুগুম্না শুপ্নতগী পুং২গী মনুংদা অতোপ্পবুসু ফংহল্লমই, মহাক্কী অঙকপা সিদ্ধ তৌরবা জ্ঞান প্রয়োক্তগী। মদুবু 'অক্রম লম্বী' কৌই। ক্রম হায়বদি সিরীগী মথক্তা সিরী, মথং-মনাও নায়না মথক্তা কাবা! অক্রম হায়বদি ক্রম নত্তবা, লিফ্টকী লম্বী, শোর্ট-কট।

মহাক মশামক্না মীওই খুদিংমকপু 'দাদা ভগৱান কনানো'?মদুগী মরি-মখোং ফোংদোক্লুনা হায়রম্মী মদুদি, ''মসি অদোম্না উরিবসি মহাক দাদা ভগৱান নত্তে, ঐহাক্তি জ্ঞানী পুরুষনি অমসুং মনুংদা প্রগত ওইরিবা, মহাক 'দাদা ভগৱান'নি। লোক ১৪গী মপুনি।মহাক অদোমদসু লৈ, পুম্নমক্তসু লৈ। অদোমদা ফোংদোক্তবা মওংদা লৈ অমসুং 'মসিদা' ঐহাক্কী মনুংদা মপুংফাবা মওংদা ফোংদোক্লি।ঐহাক ইশামক ভগৱান নত্তে।ঐহাক্কী মনুংদা প্রগত ওইরিবা দাদা ভগৱানবু ঐহাক্লসু খুরুমজে।"

## আত্মাজ্ঞান ফংন্নবগী প্রত্যক্ষ লিঙ্ক

পরম খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱান(দাদাশ্রী)না 1958তা আত্মাজ্ঞান প্রগত ওইখি। মদুগী মতুংদা 1962দগী 1988ফাও দেশ-বিদেশ কোইদুনা মুমুক্ষুশিং(মুক্তিবু ফংনিংলিবা)বু সতসঙ্গ অমদি আত্মাজ্ঞানবু ফংহল্লম্মী।

দাদাশ্রীনা লৈরিঙৈদা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা ডা. নীরু বহেন অমীন(নীরু ইমা)বু আত্মাজ্ঞান ফংহন্নবগী জ্ঞানসিদ্ধি খুৎশিন্নখি। দাদাশ্রীনা হকচাং থাদোক্লবা মতুংদা নীরু ইমানা মদুগুম্না মুমুক্ষুশিংবু সতসঙ্গ অমসুং আত্মাজ্ঞানবু ফংহন্নবা, নিমিত্ত ভাৱদগী তৌরম্মী।

আত্মাজ্ঞানী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেসাইবু দাদাশ্রীনা সতসঙ্গ তৌন্নবগী সিদ্ধি খুৎশিন্নখি। হৌজিক খুরুমজনিংঙাই ওইরবা নীরু ইমাগী অশীর্বাত্তগী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেশ-বিদেশতা নিমিত্ত ভাৱদগী আত্মাজ্ঞান ফংহল্লি।

মসি আত্মাজ্ঞান ফংলবা মতুংদা, মুমুক্ষু লিশিং কয়ানা সংসারদা লৈরসু, মথৌ পুম্নমক পাংথোক্লুনা মুক্তা লৈদুনা আত্মাদা লৈবগী নুংঙাইববু অনুভব তৌইরি।

# থঙহনজবা

জ্ঞানী পুরুষ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱানগী শ্রীমুখদগী অধ্যাত্ম অমসুং ব্যবহারজ্ঞানগা মরিলৈন্না ঙাংথোকরকপা ৱাহৈ, মদুবু রেকোর্ট তৌদুনা খোমজিন্বা অমসুং নমথোক্তুনা লাইরিক্কী মওংদা পুথোকচরি। ওরিজিনেল মওং ওইনা গুজরত্তি লোনদা পুথোকপা ওই। মসি মদুগী ওরিজিনেল লাইরিক্তুদগী হন্দোকপনি। তোঙান-তোঙান্বা সবজেক্টশিংগী মথক্তা থোক্লকপা সরস্বতীগী অঙকপা অদুগী খোমজিন্বা মসি লাইরিক অসিদা তৌরি, অনৌবা পাবিরিবশিংগীদমক বর্দান মওং ওইনা খুদম ওইগনি।

পুথোকচারিবা লোন-হন্থোচবা অসিদা ঐহাক্না মরুওইবা চেকশিন্বা অসি থমজৈ মদুদি পাবিরিবনা দাদাজীগী ৱাহৈবু তবিরিবগুম, অসিগুম্না ইশাদা ফাওবা অসি ওইশনু হায়না, মসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মফমশিংদা লোন হন্দোক্লিবগী ৱাহৈপরেং মনিপুরি ব্যাকরনগী মতুং ইন্না অশোয়-অঙামশিং য়াওবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মসিদা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুবু খঙবিদুনা পাবিরবদি হেন্না কান্নাবা ওইগনি।

পুথোক্লিবা লৈরিক অসিদা মফম খুদিংদা ব্রেকেটকী মনুংদা উৎলিবা ৱাফম নত্রগা ৱাহৈ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা ঙাংথোক্লকপা ৱাহৈশিংবু থোইদোক হেন্থোক্না ময়েক শেংনা থঙনবগীদমক ইজবনি। হায়বদি মফম খরাদা অংগ্রেজি ৱাফমশিংগী মনিপুরি অর্থগী মওংদা থমজরি। দাদাশ্রী শ্রীমুখদগী থোক্লকপা গুজরত্তি ৱাহৈ মদুগা চপ মান্না ইটালিক্সতা থমজরি, মরমদি মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মনিপুরিদা অসিগুম্বা ৱাহৈ লৈতে, মদুগী মপুংফাবা অর্থ পীবা ঙম্বা। মসি নত্তবদা মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মান্নবা ৱাহৈ, অর্থগী মওংদা ব্রেকেটত পিজরি।

জ্ঞানীগী ৱাহৈবু মনিপুরি লোন্দা চপ-মান্না হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনজৈ তৌইগুম্বসুং দাদাশ্রীগী আত্মাজ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাখললোন, চপ-চানা চপ-মান্না মদুদি, অদোম্না গুজরত্তি লোনদা ওইনা হেন্না মমুত্তগনি। কনাগুম্বনা জ্ঞানবু থমথেংনা থঙগে হায়রবদি, জ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাফমবু থঙগে হায়রবদি, মহাক্না মসিগীদমক গুজরত্তি লোনবু তম্বিয়ু, অসুম্না ঐহাক্না নোল্লুক্না থঙহনজরি।

লোন হন্দোকপগা মরিলৈনবা অৱাৎপাশিংগীদমক অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি। We will appreciate your suggestion & grammatical mistake correction. You can give your valuable feedback at nlt.m@dadabhagwan.org

## English Books Published By Dada Bhagwan Foundation

1.Adjust Everywhere
2.Ahimsa : Non-Violence
3.Anger
4.Aptavani-1
5.Aptavani-2
6.Aptavani-4
7.Aptavani-5
8.Aptavani-6
9.Aptavani-8
10.Aptavani-9
11.Autobiography of Gnani Purush A.M Patel
12.Avoid Clashes
13.Brahmacharya
14.Death: Before, During &After
15.Flawless Vision
16.Generation Gap
17.Harmony in Marriage
18.Life Without Conflict
19.Money
20.Noble Use of Money
21.Pratikraman
22.Pure Love
23.Right Understanding to Help Others
24.Science of Karma
25.Science of Speech
26.Shree Simandhar Swami : The Living God
27.The Essence Of All Religion
28.The Fault Is Of The Sufferer
29.The Guru and The Disciple
30.The Hidden Meaning Of Truth & Untruth
31.The Practice Of Humanity
32.Trimantra : The mantra that removes all the worldly obstacles
33.Whatever Happened is Justice
34.Who Am I ?
35.Worries

❖ Dada Bhagwan books are availables in different languages: Gujarati, Hindi, English, Marathi, Telegu, Kanada, Oriya, Malayali, Bengali, Punjabi, Assamese, Tamil, German, Spanish, Russian etc

❖ 'Dadavani' Magazine is published Every month in three Languages :Gujarati, Hindi, English.

**Website : www.dadabhagwan.org**

# Editorial

অয়ুক্তগী নুমিদাং ৱাইরম ফাও য়ুমদা, ব্যাবহারদা নত্রগা মপানদা, মীয়ামগী মচীনদগী অসিগুম্না তাবা ওইরি মদুদি ঐখোয়না অসিগুম্না তৌবা পামদে মদু ওইরবসু অসিগুম্না থোকপা ওইরি। অসিগুম্না তৌবা পামই তৌইগুম্বসুং অসিগুম্না ওইদে। *ভাৱনা(নুংগী ৱাখল;দ্যান)* লেংদবা ওই, তৌন্নবগী মপুংফানা লেংদবা ফীরেপ্পি, হোৎন্বসু ওই, মদু ওইজরবসু ওইবা ওইদে।

ধর্মউপদেসক পুন্নমকশিংনা সাধকশিংগীদমক অনম্বা মতমদা মসি কমপ্লেন লৈবা ওই মদুদি ঐখোয়না হায়বা অদু, মদুবু অদোম্না আত্মাসাত তৌবা ওইদে। তারিবশিংনসু মবুকনিং-শোনদুনা চমমন্বদা লৈবা ওইরি মদুদি ধর্মগা মরি লৈন্বা অসুক য়াম্না তৌরবা ফাও ঐখোয়গী শাজৎতা করিগী লাকপা ওইদ্রিনো? মসিগী মরি-মথোঙ করিনো? কদায়দা অপন্বা ওইবগে? করম তৌনা মসিগী অরান্বা অসি থিংবা য়াবগে?

মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱান(দাদাশ্রী)না মসি মতমগী মীওইবশিংগী কেপেসিটীবু য়েংদুনা, মথোয়গী তৌবা ঙম্বগী মথা-পোন্না মসিগী উপায় অনৌবা পাম্বৈদগী, মপুংফানা বিজ্ঞান মওংদগী পুথোক্লি। খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা বিজ্ঞান মওংদগী য়াম্না-মরীক চুম্না য়েংদুনা হায়রি মদুদি শাজৎলোনদি পরিণামনি, ইফেক্টনি অমসুং *ভাৱ* মদু হৌরকফম্নি, কোজনি। পরিণামদদি চপ-তিংনা হোংদোকহন্বা ঙমদে। মদুসু মদুগী বিজ্ঞানিক মওংগী মতুং-ইন্না পুরকপা য়াই। কোজ হোংদোকপদা পরিণাম মশা-মতোম্তা হোংদুনা লাকপা ওইরি। কোজ হোংনবগীদমক হৌজিক মসিগী মপোক অসিদা অনৌবা মওংদগী ভাৱ হোংদোকপীয়ু। মদুগী ভাৱ হোংনবগীদমক খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা *কলম* (কোলোম শেম্বা;থান্বগীদমক চার-শেম্বা)৯শিংগী মথা-পোন্না ভাৱনা তৌন্বা তাকপীরি। শাস্ত্র পুন্নমক্তা উপদেস তৌরিবদু, মদু ওইজরবসু মদুগী করিগুম্বা পরিণাম অমত্তা লাক্তে, মদুগী এক্সট্রেক্ট কলম ৯শিংগী মতেংনা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা মরুদগী হোংদোকন্বগী শোঐজেগী মওংদা পীবা ওইরি। মদুগী মতুং ইন্দুনা মীওই লাক্ষ কয়ানা মসি পুন্সিবুসু তৌইগুম্বসুং লাক্কদৌবা মপোকশিংবুসু শেমদোকপা ওইরি। তশেংবদা মসি মপোক্তা মপানদগী হোংবা ওইদে তৌইগুম্বসুং মসি কলম ৯শিংগী ভাৱনা তৌবদগী মনুংদা অনৌবা কোজেজে মতম চুপ্পগী ওইনা হোংদোকপা ওইরি অমসুং অদুক্কী-মতীক মনুংগী

শান্তীগী *অনুভাব*(এক্সপেরিএন্স)তৌবা ওইরি। অতোপ্পগী দোষশিংবু য়েংবা লেপ্পা ওই, থ্বাইদগী শান্তী ওইবা মদুবু ফংন্নবগী থ্বাইদগী মরু ওইবা হৌরকফম ওইবা ওইরি। অমসুং মদুদসু মীওই কয়ানদি মমাংগী মপোক্তা কলম ৯মদুগুম্বা ভাৱনা খরা তৌথি, ঙসিগী মসি লীঙ্গতা পরিণাম ওইদুনা খুদক্তা হৌজিক হৌজিক্কী শাজৎলোন্দা শাগোন্নবা ওইরি।

করিগুম্বা সিদ্ধি ফংগে হায়রবদি মদুগীদমক থালি ইশাগী মনুংদা লৈরিবা ভগৱানগী মনাক্তগী শাক্তীশিং নীদুনা লৈগনি। শুংশোয়-শোয়দনা মহৈ ফংগনি।

খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রী মশাগী *বিস্ময়*(শেক্স)দা হায় মদুদি, 'ঐহাক্না মসি কলম ৯শিংবু পুন্সি চুপ্পা য়াথং ইন্বা ওই, মসিদি লন-থুমনি। হায়বদি মসি ঐহাক্কী নুংতীগী ওইবা মাল, অরোইবদা ঐহাক্না মীয়ামগী য়াইফন্বা ওইন্বগী মরমদুনা মপানদা ফোংদোক্লি। লেপ্পা লৈতনা চহী কয়াদগী, চহী নীফু-নীফুদগী মনুংদা মসি কলম ৯শিং নুংতিগী চৎথদুনা লৈ, মদুবু মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ফোংদোক্লি।'

সাধক কয়ানা মসি থাজবা অসি লেংদবা ওই মদুদি ঐহাক্না মসি কলম ৯শিংগুম্বা ৱাফম পুন্নমক থঙই অমসুং ঐহাক্না অসিগুম্না লৈরি। তৌইগুম্বসুং মঙোন্দা হংলবদি অদোমদগী কনাগুম্ববু অৱাবা ওইব্রা? মহাক্কী য়ুমগী নব্রগা নক্নবা মরি-মতাশিংদা হংবা মতমদা মখোয়না 'হোয়' হায়রি। মদুগী অর্থ মসি ওইরে মদুদি মসি মরিক-চুম্না থঙবা কৌবা ওইরোই। অসিগুম্না থঙবদি কান্নবা ওইদে। মদুদদি *জ্ঞান্নীপুরুস*না মশাগী পুন্সিদা করিগুম্বা সিদ্ধ তৌথিবা মদু, মদুগী অনুভব-ওইরবা মসি ৱাহৈগী মতেংনা থুৎশিন্নরবা মতমদুদা ইফেক্টিব ওইবা ওই। হায়বদি মদুগী ভাৱনা জ্ঞানীপুরুষকী মতেংনা পীথিবা ডিজাইন(য়োজনা)গী মতুং-ইন্না ওইগদবনি মতমদুদা ইফেক্টিব ওইগনি অমসুং মোক্ষকী লম্বীদা য়াম্না য়াংনা প্রগতি তৌহনগনি। অমসুং হায়বদি অসিগুম্বা পরিনাম লাক্কনি মদুদি মশাদগী কনাগুম্বা জীব অমত্তবু খজিক্তং ফাও অৱাবা ওইরোই, মসিদা নত্তনা তৌইগুম্বসুং কলম ৯শিংগী নুংতিগী ভাৱনা তৌবদা দোষ কয়া-কয়া কোকপা ওইরি অমসুং ঐখোয়না মোক্ষকী লম্বীদা মাঙদা কাখৎপা ঙম্মী।

**- ডাঃ নীরু বহেন অমিন**

# ভাৰনাদগী হোংদোকই মপোক কয়া-কয়া

## (কলম ৯শিং-এক্সত্রেক্ট, শাস্ত্র পুন্নমক্কী)

## মদুদগী তৎপা ওইরি অথিংবা কয়া

ঐহাক্না লাইরিক অমা পানবা পীগনি। অচৌবা লাইরিকশিং পান্বগীদমক পীদে, মচা-অমথক অদোমগীদমক! মদুবু পাওনে খরা, অসুম হেক্তা!

**ৱাহং-হংলিবা :** ফরে।

**দাদাশ্রী :** অমুক্তং মসিবু পাউনে, লোইন্মক পাওনে। মসি হিদাক অসি পীরি, মসি পান্বগী হিদাক্কি। মসি কলম ৯শিংনি, মসিবু পাগদবা খক্তনি, মসিবু করিগুম্বা তৌগদবগী হিদাক নত্তে। মসি নত্তনদি অদোম্না তৌবা অদু, মদু পুন্নমক য়াই তৌইগুম্বসুং মসিদি ভাৰনা তৌগদবা হিদাক্কি, মরমদুনা মসি পীরীবা অসি, মদুবু পাদুনা লৈয়ু। মসিদগী মখল কয়াগী অথিংবা লৈতবা ওইগনি।

মরমদুনা অহান্বদা মিনিত ১-২ মসি কলম ৯শিং পাবীয়ু।

**ৱাহং-হংলিবা :** কলম ৯শিং...

১. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না, কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও *অহম*(ইগো)বু নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্ত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা, অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদনবা, অদুগুম্বা *স্যাদবাদ* (মীয়াম পুন্নমক্না য়াবা ৱাফম)ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল-খন্নবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

২. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না করিগুম্বা ধর্মগী খজিক্তংফাও প্রমানবু নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্ত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্না করিগুম্বা ধর্মগী খজিক্তংফাও প্রমানবু নুংঙায়তবা তৌদনবা

অদুগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল-খন্নবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৩. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা উপদেশক, সাধু, সাধবী নত্রগা আচার্য়বু অবর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৪. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগী মথক্তা খজিক্তুংফাও পামদবা ফাওবা, *তিরস্কার* (উশিৎতবা;হন্থনা য়েংবা)কৈদৌনুংদা তৌদনবা, তৌহন্দম্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৫. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগা লোয়ন্না কৈদৌনুংদা অকনবা লোন, *তনতীলী* (য়ুবা ওইবা)লোন ঙাংদনবা, ঙাংহন্দনবা নত্রগা ঙাংলিবগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

কনাগুম্বনা অকন্বা লোন, *তনতীলী* লোন ঙাংলগদি ঐহাক্না, ইকায়খুম্নবা-চম্না ঈংনা ঙাংবা লোন ঙাংন্বগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৬. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগী মথক্তা নুপী, নুপা নত্রগা নপুংসক(নিয়ুত্রেল জেন্দর), কনাগুম্বা লিঙ্গধারি অমা ওইরবসু, মদু ওইরগদি মহাক্কা মরি লৈনবদা খজিক্তুংফাও *বিষয়*(শেক্স)-*বিকার*(শাজৎফত্তবা মীৎয়েং) মরি লৈন্বা দোষ, অপাম্বা, *চেষ্ট* তৌবা নত্রগা ৱাখলগা মরি লৈনবা দোষ তৌদবা, তৌহন্দবা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদম্বা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাকপু, লেপ্পা-নাইদবা *নির্বিকার* (*বিকার*দগী মুক্তা) লৈনবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৭. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না করিগুম্বা মহাও অমত্তদা লুবধ(মীহৌবা) ওইদনবা শক্তী পীবিয়ু। *সমরসী*(মহাও ৬ওইবা) চীঙ্গাং চানবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৮. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মা

হৌজিক লৈবা নত্রগা লৈত্রবা, হিংলিবা নত্রগা লৈখিদ্রবা, কনাগুম্ববু খজিক্তংফাও অবর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা, তৌহন্দম্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদম্বা অসিগুম্বা মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।

৯. হে দাদা ভগৱান! ঐহাকপু জগতকী য়াইফবা তৌন্বগী *নিমিত্ত* (মাধ্যাম) ওইনবগী মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।

(মসিবু নোংমদা অহুমলক পাগদবা)

মসিখৈ অদোম্না দাদা ভগৱানদগী নীদুনা লৈয়ু। মসি নুংতিগী মেকেনিকেল্লি পাগদবা পোৎ নত্তে, থম্মোয়দা থমগদবা পোৎনি। মসি নুংতিগী উপয়োগকা লোয়ন্না ভাৱনা তৌগদবা পোৎনি। পাঠ মসিখৈদা শাস্ত্রাশিং পুম্নমক্কী এক্সট্রেক্ট লাকপা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** ৱাহৈ পুম্নমক পারব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, পুম্নমক ফজনা পারে।

# অহম(ইগো)বু নুংঙায়তবা তৌদন্বা...

**ৱাহং-হংলিবা :** ১. 'হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না, কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্না, কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদনবা অদুগুম্বা *স্যাদবাদ* ৱাহৈ, স্যাদবাদ ব্যবহার অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল থন্নবগী মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।' মসিবু তাকপীয়ু।

**দাদাশ্রী :** কনাগুম্বগী অহমবু নুংঙাইতবা তৌদন্বা, মরমদুনা ঐখোয়না স্যাদবাদ ৱাহৈ নীরি। অসিগুম্বা ৱাহৈ অদোমদা তপ্না-তপ্না তুংবা ওইগনি। ঐহাক্না ৱাহৈ ঙাংলিদনা, মদু ঐহাক্না মসি ভাৱনা তৌবগী মহৈগী শক্তম ওইনা ফংলি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মসিদা কনাগুম্বগী অহমবু নুংঙাইতবা তৌহল্লোইদবনি, মদু ওইরবদি মসিগী অর্থদি অসিগুম্না নত্তেদনা মদুদি কনাগুম্বগী

অহমবু চাওখৎহন্বা ওইবা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে। অসিগুম্না কনাগুম্বগী অহমবু চাওখৎ হনগদবা নত্তে। মসিদি অহমবু নুংঙাইতবা তৌদন্বা, অসিগুম্বা ওইগদবনি। ঐহাক্না হায়গনি মদুদি লিক্লিগী গ্লাস থুগায়গনু, মদুগী অর্থদি মসি নত্তে মদুদি অদোম লিক্লিগী গ্লাসপু চেকশিল্লু হায়বা। মখোয় মশাগী জগাদা চেকশিন্না লৈরি। মরমদুনা থুগায়গনু। মতুংদা মখোয়দি তেক্কায়দেদনা মহাক্কী ফিবমদা তাদুনা লৈরি। অদোম ইশাগী নিমিত্ত তগী থুগায়গনু। করিগুম্বা মখোয় কায়রবদি অদোম ইশাগী নিমিত্ত তগী থুগায়গনু। অমসুং অদোম্না মসি ভাৱনা অসিথক তৌগদবনি মদুদি ঐঙোন্দগী, কনাগুম্বা জীববু খজিক্তংফাও অৱাবা ওইদবা, মহাক্কী অহংকার মচেৎ-তানা কায়দবা, অসিগুম্না থমগদবনি। মহাকপু উপকারিনি হায়না লৌগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** ব্যাপারদা মাংদা লৈরিবগী অহমবু নুংঙাইতবা তৌদন্বা অসিগুম্না অনম্বা মতমদা লৈবা ঙমদে, কনাগুম্বা অমা নত্রগা কনাগুম্বা অমগী অহমবু নুংঙাইতবা ফাওবা ওই।

**দাদাশ্রী :** মদুবু ‘অহম নুংঙাইহন্দবা তৌবা’ কৌদে। অহম নুংঙাইহন্দবা তৌবা হায়বদি করিনো হায়বদা মহাক্না করিগুম্বা অমা ঙাংনিংবা অমসুং ঐখোয়না হায়রবদি, ‘তুমীন্না ফম্মু, নহাক্না করিগুম্বা অমত্তা ঙাংগনু।’ অসিগুম্না মহাক্কী অহংকারবু নুংঙাইতবা তৌহল্লোইদবনি। অমসুং ব্যাপারদদি অহম নুংঙাইহন্দবা হায়বদি মদুদা তশেংনা অহম নুংঙাইহন্দবা নত্তে, মনুংদা পূক্নীং নুংঙাইতবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং অহমদি অফবা পোৎ নত্তেদনা, মদু ওইরগদি মদুবু নুংঙাইতবা তৌবদা করি কায়বগে?

**দাদাশ্রী :** মহাক মশামক হৌজিক অহংকারগী শক্তম্নি, মরমদুনা মদুবু নুংঙাইতবা তৌরোইদবনি। মহাক মশামক্কি পুন্নমক, মহাক্না করিগুম্বা তৌরিবা পুন্নমক, মদুদা ঐ থক্কি, অসিগুম্না মহাক্না লৌরি। মরমদুনা নুংঙাইহন্দবা তৌরোইদবনি। মরমদুনা অদোম্না য়ুমদসু কনাগুম্বা অমত্তবু চৈগনু। কনাগুম্বগী অহংকার নুংঙাইতবা তৌরোইদবনি অসিগুম্না থম্মু। কনাগুম্বগী অহংকার নুংঙাইতবা তৌহল্লোইদবনি। মীয়ামগী অহংকারবু নুংঙাইতবা তৌবদগী মখোয় অদোমদগী তোঙান্না-তাবা ওই, মতুংদা কৈদৌনুংদা অদোমগা উন্নবা ওইদে। অদোম্না কনাগুম্বদা অসিগুম্না হায়রোইদবনি মদুদি, ‘নহাক্তি য়ুজলেস্নি, নহাক

অসিগুম্বনি, মদুগুম্বনি।’ অসিগুম্না কনাগুম্বগী নাপলবু থুদেক্লোইদবনি। হোয়্, ঙাংবা য়াই, ঙাংবদা অকায়বা লৈতে। করিগুম্বা অমা ওইরবসু তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বগী অহংকারবু নুংঙাইতবা তৌরোইদবনি। কোক্তা থেংজিল্লবদি মদুদা কায়দে, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী অহংকারদা থেংজিল্লোইদবনি। কনাগুম্বগী অহংকারবু কায়হল্লোইদবনি।

কনাগুম্বা থবকসুবা ওইবা, মহাকপুসু হন্থনা-য়েংবা তৌরোই দবনি। হন্থনা-য়েংবদগী মহাক্কী অহম নুংঙাইতবা ওইগনি। ঐখোয়না মহাক্কী দরকার লৈত্রগদি মদু ওইরবদি মঙোন্দা হায়য়ু মদুদি ‘ইবুংঙো, ঐহাক্না নহাক্কী থবক লৈত্রে’ অমসুং করিগুম্বা মহাক্কী অহংকার নুংঙাইতবা তৌদ্রবদি মদু ওইরগদি পৈশা পীদুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকউ। পৈশাদি লাক্কনি তৌইগুম্বসুং মহাক্কী *অহম*বু নুংঙাইতবা তৌহল্লোইদবনি। নত্রগদি মহাক্না য়েক্কবা থমগনি, য়াম্না কন্বা য়েক্কবা পুশিনগনি! ঐখোয়গী য়াইফবা তৌহল্লোই, মরক্তা খুরৌ-থাংগনি।

মসিদি য়াম্না মনুংহুৎপা ৱাফম্নি! হৌজিক মসি ওইজরবসু কনাগুম্বগী অহংকার অদোমদগী নুংঙাইতবা তৌরবদি মসিদা ঐহাক্কী নাক্তা(মসি কলমগী মতুং ইন্না)শক্তী নীয়ু। হায়বদি থোক্লিবা মদুদা মশাগী ওপীনিয়ন তোঙান্না থম্মী, মরমদুনা মহাক্কী দাইতা য়াম্না লৈতে। মরমদি হৌজিক মহাক্কী ওপীনিয়ন তোঙান তারে। অহংকারবু নুংঙাইহন্দন্বগী ওইরম্বা *অভিপ্রায়*(ওপীনিয়ন)অদু, মদু অসিগুম্না নীবদগী মহাক্কী ওপীনিয়ন তোঙান তারে।

**ৱাহং-হংলিবা :** ‘ওপীনিয়ন’দগী তোঙান্না তাবা হায়বদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** ‘দাদা ভগৱান’না খঙলেদনা মদুদি মসি তোল্লবা অসিনা হৌজিক কনাগুম্বগী অহম নুংঙাইতবা তৌনবগী অপাম্বা লৈত্রে। ঐখোয়গী ইশাগী অসিগুম্বা অপাম্বা লৈতে মদু ওইজরবসু থোকপা ওইরি। মসি নত্তনদি জগতকী মীয়াম্না অপাম্বগা লোয়ন্না থোকপা ওইরি। হায়বদি মসি কলম ঙাংবদগী করি ওইবগে হায়বদা ঐখোয়গী ওপীনিয়ন অদু তোঙান্না তারে। মরমদুনা ঐখোয়না মহাক্কী মায়গৈদগী নান্থোক্লে।

হায়বদি মসি শক্তী থক্তবু নীগদবনি। অদোম্না করিসু তৌগদবা নত্তে, খালি শক্তী থক্তবু নীগদবনি। মসিবু শাজৎলোনদা পুরক্কদবা নত্তে।

**ৱাহং-হংলিবা :** শক্তী নীবগী ৱাফম অসি ফৈ, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না করি তৌগদগে মদুদি মদুনা অতোপ্পগী অহমবু নুংঙাইতবা ওইদব্বা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, অসিগুম্বা করিসু তৌগদৌবা লৈতে। মসি কলমগী মথা-পোন্না অদোম্না খালি ঙাংগদবনি, মসিথক! অমসুং করিগুম্বা তৌগদৌবা নত্তে। হৌজিক অহমবু নুংঙাইতবা তৌরিবদু মদু মহৈ (ডিসচার্জতা) লাকপা ওইরি। হৌজিক থোক্লিবদু মদুদি ডিসাইডেড তৌখ্রে, মদুবু থিংবসু য়াদে। মদুবু হোংদোকন্বা তৌবা মদুদি খালি কোক-কায়গনি। তৌইগুম্বসুং মসি কলম অসি ঙাংলবদি মতুংদা দাইতা লৈবা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** অমসুং মসিবু ঙাংবা মদু থম্মোয়-শেংনা তৌগদবনি।

**দাদাশ্রী :** মদুদি থম্মোয়-শেংনা পুন্নমক তৌগদবনি। অমসুং কনাগুম্বা মীওইনা তৌরবদি, মহাক্না অরান্বা থম্মোয়দগী তৌদে, অশেংবা-থম্মোয়দগী তৌই। তৌইগুম্বসুং মসিদা মশাগী ওপীনিয়ন তোঙান তারে। মসি মথল অমগী য়াম্না-চাউবা বিজ্ঞান্নি, খঙবা য়াবা।

মসিগী মথা-পোন্না করিগুম্বা অমত্তা তৌগদবা নত্তে, অদোমদি মসি কলম ৯শিং থক্ত ঙাংগদবনি। শক্তী থক্ত নীগদবনি মদুদি 'দাদা ভগৱান, ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু। ঐহাক্না মসি শক্তী অসি পাম্মী।' মসিদগী অদোম্না শক্তী ফংবা ওইগনি অমসুং দাইতা মাংলগনি। মসি নত্তনদি জগতনা করম্বা জ্ঞানবু তাকপগে? 'অসিগুম্না তৌগনু।' মীয়াম্না করি হায়বগে হায়বদা অরে ইবুংঙো, ঐহাক্না তৌনিংদে মদু ওইজরবসু থোকপা ওইরি। মরমদুনা অদোমগী জ্ঞান ঐখোয়বু 'ফীত' ওইবা ওইদে। মসি অদোম্না ঙাংলিবসি, মসিদগী মমাংগী অদু থিংবা ওইদে অমসুং ঙসিগীসু লেপ্পা ওইদে, মরমদুনা মাইগৈ অনীমক্কী মাংহল্লি। হায়বদি 'ফিট' ওইবা অদুগুম্বা ওইগদবনি।

## ভাৱ প্রতিক্রমন, মীৎকুপ অদুদা

**ৱাহং-হংলিবা :** মাংদা লৈরিবদুগী অহংকার নুংঙাইহন্দবা মতমদা, মদুদা অসিগুম্না ওই মদুদি মসি ঐহাক্কী অহংকার ঙাংলেদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, অসিগুম্বা অর্থ লৌবগী মথৌ তাদে। ঐখোয়গী *জাগ্রুতি* (নীংশিংদুনা লৈবা) করি হায়বগে হায়বদা? মসি ঐখোয়গী মোক্ষকী লম্বী হায়বদি

মনুংলোমদা মমায় ওনজিন্বা লম্বীনি। লেপ্প-নায়দবা মনুংগী জাগ্রুতি থক্তদা লৈবা অমসুং মাংদা লৈরিবা অদুগী অহম নুংঙাইহন্দবা ওইরবদি খুদক্তা মদুগী প্রতিক্রমন তৌ, মসি অদোমগী থবকনি। অদোমদি অসুক য়াম্বা প্রতিক্রমন তৌরি মদুদা অমা হেন্না! ঐঙোন্দগীসু করিগুম্বা কনাগুম্বগী অহম নুংঙাইহন্দবা তৌরবদি, মদু ওইরগদি ঐহাক্সু প্রতিক্রমন তৌই।

মরমদুনা অয়ুক্তা অসিগুম্না হায়যু মদুদি, ‘ঐহাক্কী পূক্নীং-ৱাহৈ-হকচাংদগী কনাগুম্বা জীব অমত্তবু খজিক্তংফাও নুংঙাইহন্দবা তৌদবা।’ অসিগুম্না ৫রেক হায়দুনা য়ুমদগী থোক্লকউ অমসুং মতুংদা নুংঙাইহন্দবা ওইরগদি মদু অদোমগী অপাম্বগী ময়োক্তা থোক্লি, মদুগী য়াচংবদা *প্রতিক্রমন*(মশাগী অরান্বদু নীংশিংবা, লানখ্রে ফাওদুনা থম্মোয়দা ফাওবা অমসুং অমুক-হন্না তৌররোই খন্দুনা লেংদবা ফীরেপ লৌবা) তৌ।

প্রতিক্রমন হায়বদি করিনো? দাগ চুবগা খুদক্তা চামথোকপা। মতুংদা করিগুম্বা অকায়বা লৈতে। মতুংদা করি প্রোব্লেম? প্রতিক্রমন কনানা তৌদবগে? কনাগুম্বা(অজ্ঞান মওংদা) ৱান্থবা অদুনা, মদুগী মীওইদুনা প্রতিক্রমন তৌদে। মসি নত্তনদি ঐহাক্না জ্ঞানবু পীথিবশিং অদুদি, মদু মীওইদুদি করম্না ওইবগে? য়াম্না মতিক-মঙাল লৈবা পুরুষ ওইবা ওই, মীৎকুপ খুদিং থন্থবা ওইবা। ২২ তীর্থঙ্করশিংগী ফোলোৱর্স মতীক-মঙাল লৈবা ওইরম্মী। মখোয় ‘শুট ওন সাইট’ প্রতিক্রমন তৌরম্মী। দোষ ওইবগা খুদক্তা ‘শুট’! অমসুং ঙসিগী মীওইদি অসিগুম্না তৌবা ঙমদে, মরমদুনা ভগৱাননা মসি *ৰায়শী*(নুংমিদাং পুম্বদা থোকপা দোষশিংগী অয়ুক্তা লাল্লে হায়জবা)-*দেবশী* (নোংমা পুম্বদা থোকপা দোষশিংগীমক নুমিদাংদা লাল্লে হায়জবা), *পাক্ষিক*(নুমিৎ ১৫) অমসুং পর্যুষণদা *স্ববতসরী*(পুন্সি চুপ্পগী)প্রতিক্রমন তৌনবা তাক্লি।

## স্যাদবাদ ৱাহৈ, শাজৎ, ৱাখল থন্বা..

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক ‘কনাগুম্বগী অহম নুংঙাইতবা তৌদন্বা, অসিগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল থন্বগী মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।’ মসিবু খরা তাকপীয়ু।

**দাদাশ্রী :** স্যাদবাদ অর্থদি মসিনি মদুদি মীয়াম পুম্বনা করম্বা ভাৱদগী,

করম্বা 'বিয়ু পোইন্ট'দগী হায়বগে, ঐখোয়না মসি খঙগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মাংদা লৈরিবা অদুগী 'বিয়ু পোইন্ট' খঙদোকপা মদু স্যাদবাদ কৌব্রা?

**দাদাশ্রী :** মাংদা লৈরিবা অদুগী 'বিয়ু পোইন্ট' খঙবা অমসুং মদুগী মতুং-ইন্না ব্যাবহার তৌবা, মদুগী মমীং স্যাদবাদ। মহাক্কী 'বিয়ু পোইন্ট'বু নুংঙাইতবা ওইদন্বা অসিগুম্বা ব্যাবহার তৌবা। হুরান্বগী 'বিয়ু পোইন্ট'বুসু নুংঙাইতবা ওইদন্বা মদুগুম্না অদোম্না ঙাংলবদি, মদুগী মমীং স্যাদবাদ!

ঐহাক্না ঙাংবা ৱাফম, মদু মুস্লিম নত্রগা পারসী ওইরবসু, পুম্নমকপু অমত্তং ওইনা খঙবা ওই। কনাগুম্বগী প্রমনবু নুংঙাইতবা ওইদে মদুদি 'পারসী অসিগুম্বনি নত্রগা স্থানকৱাসি(জৈন) অসিগুম্বনি।' অসিগুম্বা নুংঙাইতবা অসি থোক্লোইদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদা কনাগুম্বা হুরান্বা ফম্বা ওইবা, মঙোন্দা ঐনা হায়রবদি হুরান্বা তৌবা অসি ফত্তে, মদু ওইরগদি মহাক্কী পূক্নীংদি শুশোয়-শোয়দনা নুংঙাইতবা ওইগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, অসিগুম্না হায়গনু। ঐখোয়না মঙোন্দা হায়গদবনি মদুদি 'হুরান্বা তৌবগী মহৈ অসি অসিগুম্না লাকই। নহাক্না পাম্লগদি তৌ।' অসিগুম্না হায়বা য়াই। হায়বদি ৱাফম চুম্বা মওংদা হায়গদবনি। মতমদুদা মহাক্না তান্বগী শেমশাগনি। নত্রগদি মদুগী ৱাফমদুবু তারোই অমসুং ওন্ন-তৈন্বদা অদোম ৱাহৈ কান্নদবদা মাংদুনা তোক্কনি। ঐখোয়গী ঙাংবা কান্নদবদা চৎকনি অমসুং মথক্তা মহাক্না লমন-খুমগনি মদুদি 'অচাউবা লাক্লি এডৱাইস পীবা!' অসিগুম্বা অসি তৌরোইদবনি।

মীয়াম্না হায়রি মদুদি হুরান্বা তৌবা অসি মরালনি। তৌইগুম্বসুং হুরান্বনা করি থন্বগে হায়বদা হুরান্বা তৌবা অসি ঐগী ধর্মনি। ঐহাক্কী নাক্তা কনাগুম্বা হুরান্ববু পুদুনা লাক্লবদি ঐহাক্না মহাক্কী লেংজুমদা খুৎথম্দুনা কানা লৈতবদা হংগনি মদুদি 'ইবুংঙো, মসি বিজেনেস নহাক্না অফবনি থনব্রা? নহাক্না পামব্রা?' মতুংদা মহাক্না মশাগী অশেংবা পুম্নমক হায়গনি। ঐহাক্কী নাক্তা মহাক্না অকীবা ওইদে। মীওইবনা কীদুনা চীন-থীবা ঙাংই। মতুংদা মহাকপু জ্ঞান তাহল্লি মদুদি, 'মসি

নহাক্লা তৌরিবসি মসিগী দাইতা করি লাকপগে? মদুগী মহৈ করিনো, মসি নহাক্লা খঙব্রা?' অমসুং 'মহাক্লা হুরাল্লী' অসিগুম্নদি ঐহাক্কী পূক্নীংদসু লৈতে অমসুং করিগুম্বা অসিগুম্না ঐহাক্কী পূক্নীংদা লৈরবদি মহাক্কী মথক্তা ইফেক্ট ফাওগনি। মীওই খুদিংমক মশা-মশাগী ধর্মদা লৈ। কনাগুম্বগী ধর্মবু প্রামান নুংঙাইতবা তৌদবা, মদুগী মমীং স্যাদবাদ ৱাহৈ। স্যাদবাদ ৱাহৈ মপুংফাবা ওইবা ওই। মীওই খুদিংগী প্রকৃতি তোঙান-তোঙান্বা ওই, মদু ওইজরবসু স্যাদবাদ ৱাহৈ কনাগুম্বা অমগী প্রকৃতিবু নুংঙাইতবা তৌদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** স্যাদবাদ ৱাখল থন্বা হায়বদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** স্যাদবাদ ৱাখল থন্বা হায়বদি ৱাখল থন্বদা, ৱাখল থন্বা মতমদসু কনাগুম্বা ধর্মগী প্রমান নুংঙাইতহন্বা তৌরোইদবনি। শাজৎতদি তৌরোইদবনি তৌইগুম্বসুং ৱাখলদসু লৈরোইদবনি। মপানদা ঙাংবা মদুনা তোঙান্বা তৌইগুম্বসুং পূক্নীংদসু অসিগুম্বা অফবা ৱাখল ওইগদবনি মদুদি মাংদা লৈরিবা অদুগী প্রমান নুংঙাইতবা তৌদবা। মরমদি পূক্নীংদা ৱাখল লাকপা, মদু মাংদা লৈরিবদুবু য়ৌই। মরমদুনা মথোয় ময়ামগী মায়থোং পোমদুনা লৈরি। মরমদি অদোমগী ৱাখল মফমদুদা য়ৌদুনা মহাকপু ইফেক্ট পীবা ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্বগী মথক্তা ফত্তবা ৱাখল লাক্লবদি মদুগী প্রতিক্রমন তৌগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, নত্রগদি মতুংদা মহাক্কী পূক্নীং শোয়গনি। অমসুং প্রতিক্রমন তৌরগদগী মহাক্কী অশোয়বা পূক্নীং লৈরগসু অমুক হন্না শেমদোক্লগনি। কনাগুম্বগীদমক ফত্তবা নত্রগা অসিগুম্বা-মদুগুম্বা খল্লোইদবনি। অসিগুম্বা করিগুম্বা অমত্তা তৌরোইদবনি। 'সব সবকী সমভালো' মশা-মশাগী য়েংউ, মসিখক্তি! অতোপ্পা করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রে।

## ধর্মগী প্রমান নুংঙাইতবা তৌদন্বা...

**ৱাহং-হংলিবা :** ২. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্লা করিগুম্বা ধর্মগী প্রমানবু খজিক্তংফাও নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্লা করিগুম্বা ধর্মগী ৱাখল্লোনবু খজিক্তংফাও নুংঙায়তবা তৌদনবা

অদুগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল-থন্নবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** কনাগুম্বা অমত্তগী প্রমান নুংঙাইতবা তৌরোই- দবনি। কনাগুম্ববু লাল্লী, অসিগুম্না মাল্লোইদবনি। '১' অসিবু মশীং কৌব্রা নত্রগা কৌদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরবদি '২' অসি মশীং কৌব্রা নত্রগা কৌদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, কৌই।

**দাদাশ্রী :** মদু '১০০' মশীং ওইবা অদুনা করি হায়গনি? 'ঐখোয়গীনা চুম্মী, অদোমগীনা লাল্লী।' অসিগুম্না হায়বা হায়দে। পুম্নমক্কী চুম্মী। '১' ওইবদুনা '১'গী মতুং ইন্না, '২' ওইবদুনা '২' মতুং ইন্না, মীপুম খুদিংমক্কী মখোয়গী মতুং ইন্না চুম্মী। হায়বদি মখোয় অমমমগী(বিয়ু পোইন্ট)বু য়াবা, মদুগী মীং স্যাদবাদ। পোৎ অমা মশাগী গুণধর্মদা লৈরি অমসুং ঐখোয়না মহাক্কী করিগুম্বা গুণ থরা থক্তবু য়াবা অমসুং লেমহৌরিবা গুণশিংবু য়াদ্রগদি, মদু অরান্বনি। স্যাদবাদ হায়বদি মীপুম খুদিংমক্কী প্রমানগী মতুং ইন্না। ৩৬০ ডিগ্রী ওইবা মতমদা পুম্নমক্কী চুম্বা হায়না কৌই তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ডিগ্রী ফাও মহাক্কী চুম্মী অমসুং মসিগী ডিগ্রী ফাও মসিগী চুম্বা ওইরি।

কনাগুম্বা ধর্মবু লাল্লি অসিগুম্না ঐখোয়না ঙাংবা য়াদে। ধর্ম খুদিংমক চুম্মী, কনাগুম্বা অমত্তা লানদে, ঐখোয়না কনাগুম্বা অমবু লাল্লে হায়না ঙাংবা য়াদে। মদু মহাক্কী ধর্মনি। শা-ঙা চাবা ওইরগদি, মদুবু ঐখোয়না করম্না লাল্লে হায়গনি? মহাক্না হায়গনি, 'শা-ঙা চাবা ঐহাক্কী ধর্মনি।' মদু ওইরগদি ঐখোয়না 'থিংবা' য়াদে। মদু মহাক্কী থাজবনি, মহাক্কী বিলিফনি। ঐখোয়না কনাগুম্বগী বিলিফপু খুৎথিংজিন্বা য়াদে। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বনা মনা-মশীং চাবা ইমুংদা পোক্লবদি, করিগুম্বা মখোয়না শা-ঙা চাবা ওইরগদি ঐখোয়না মঙোন্দা হায়গদবনি মদুদি, 'ইবুংঙো, মসি অফবা ৱাফম নত্তে।' মতুংদা মহাক্না শা-ঙা চাগে থল্লগদি মদুদা ঐখোয়না থিংবা য়াদে। ঐখোয়না শুগায়না খঙহনগদবনি মদুদি মসি পোৎ অসি হেল্পফুল(কান্নবা)ওইদে।

স্যাদবাদ হায়বদি কনাগুম্বা ধর্মগী প্রমান নুংঙাইতবা তৌৰোইদবনি। চুমলিবা চাংদুখৈ, মদুগী চাংদুদা মদুবু চুম্মে হায়গনি অমসুং চুমদবা চাংদুখৈ, মদুবু চুমদবনি হায়গনি। মদুগী অর্থদি প্রমানবু নুংঙাইতবা তৌহন্দ্রে। ক্রিশচিয়ন প্রমান, মুস্লিম প্রমান, কনাগুম্বা ধর্মগী প্রমানবু নুংঙাইতবা তৌৰোইদবনি। মরমদি ধর্ম পুম্নমক ৩৬০ ডিগ্রীদা পুন্বা ওইরি। রীয়ল ইজ দ সেন্টর এন্ড ওল দীস অর রিলেটীব বিয়ুস। সেন্টর ওইবশিংগীদমক রিলেটীব বিয়ুস পুম্নমক চপ-মান্নে। ভগৱানগী স্যাদবাদ হায়বদি কনাগুম্ববু খজিক্তং ফাও নুংঙাইতবা ওইদবা, মতুংদা করিগুম্বা ধর্ম অমবু ওইরবসু।

হায়বদি স্যাদবাদ লম্বী অসিগুম্না ওই। মীওই খুদিংগী ধর্মবু এক্সেপ্ট তৌগদবনি। মাংদা লৈরিবা অদুনা খুবাক্কা ২রক থারগসু ঐখোয়না য়াগদবনি, মরমদি জগত পুম্নমক *নির্দোষ*(লান্বা ওইদে)নি। দোষ তৌবা ওইনা উরি, মদু অদোমগী দোষনা মরম ওইদুনা উবা ওইরি। মসি নত্তনদি, জগত দোষ ওইবা ওইদে। তৌইগুম্বসুং অদোমগী বুদ্ধি দোষ তৌবা ওইনা উহল্লি মদুদি মহাক্কা অরান্বা তৌরি।

# অৱর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয়...

**ৱাহং-হংলিবা :** ৩. 'হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা উপদেশক সাধু, সাধবী নত্রগা আচার্যবু অৱর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।' মসিদা অৱর্ণবাদ শবদ লৈদনা, মদুগী এজেক্ট জ্ঞান করিনো?

**দাদাশ্রী :** করিগুম্বা মওং অমদগী ওইরিবা মদুগুম্না হায়বগী মহুত্তা ওন্না-তৈন্না ঙাংবা, মদু অৱর্ণবাদ কৌবা ওই। ওইরিবা মদুগুম্নদি নত্তে তৌইগুম্বসুং মথক্তগী মদুবু ওন্না-তৈন্না। ওইরিবা মদুগুম্না ফোংদোক্লবদি, অরান্ববু অরান্বা অমসুং অচুম্ববু অচুম্বা হায়বা, মদু ওইরবদি অৱর্ণবাদ কৌদে। তৌইগুম্বসুং পুম্নমক্তুবু অরান্বনি হায়রবদি, মতমদুদা অৱর্ণবাদ কৌগনি। মীওই খুদিংদা করিগুম্বা অফবা খরদি লৈরমগনিদনা নত্রগা লৈরম্লোইদ্রা? অমসুং করিগুম্বা ওন্নবসু লৈরমগনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী পুম্নমক ওন্ননা ঙাংলবদি, মদু ওইরগদি মতুংদা মদুবু অৱর্ণবাদ কৌই। 'মসিগী মরমদা খজিক্তং অসিগুম্বনি, তৌইগুম্বসুং

অতোপ্পা মরমদদি য়াম্না ফৈ,’ অসিগুম্না ওইগদবনি।

অৱর্ণৱাদ হায়বদি ঐখোয়না কনাগুম্বগী মরমদা থঙই, মহাক্কী করিগুম্বা মরিলৈন্বা খরসু থঙই। মদু ওইরবসু মদুগী ময়োক্তা ঙাংলবদি অমসুং মঙোন্দা লৈতবা গুণ মদুগুম্বা গুণশিংগী ৱারী পুন্নমক শারবদি, মদু পুন্নমক অৱর্ণবাদনি। *ৱর্ণবাদ* হায়বদি করিনো হায়বদা ‘ওইরিবা মদুবু ঙাংবা অমসুং *অৱর্ণবাদ* হায়বদি লৈতবা মদুবু ঙাংবা।’ মদুদি য়াম্না লুম্বা *বিরাধনা* কৌই, য়াম্না চাউবা বিরাধনা কৌই। ইচম-চম্বা মীয়ামশিংগী ওইরগদি *নিন্দা* (তৌশিন্নবা; ফত্তবা ঙাংবা) কৌই তৌইগুম্বসুং অচৌবা পুরুষশিংগীদি অৱর্ণবাদ কৌই। অচৌবা পুরুষশিং হায়বদি *অনতর্মুখ* (অধ্যাত্মাদা অৱাংবা থাক্তা কাখৎপা) ওইরবা মখোয়। অচৌবা পুরুষ হায়বদি মসি ব্যাবহারদা অচৌবনি মদুগুম্বা নত্তে, প্রসিডেন্ট (রাষ্ট্রপতি) ওইবা মহাক্কীদমক নত্তে, অনতর্মুখ ওইরবা পুরুষশিংগী অৱর্ণবাদ তৌবা, মদুদি য়াম্না খুদোং-থীনিংঙাইনি! অৱর্ণবাদ য়াম্না খুদোং-থিনিংঙাইনি! মদুদি বিরাধনাদগীসু হেন্না হেন্বা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** উপদেশক, সাধু-আচার্য়াশিং গীদমক অসিগুম্না হায়রিদনা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মখোয় পুম্বা। মখোয়না লম্বীদা চৎপা ওইরবসু নত্রগা চৎতবা ওইরবসু, জ্ঞান লৈবা ওইরবসু নত্রগা লৈতবা ওইরবসু, মসি ঐখোয়না য়েংগদবা নত্তে। মখোয় ভগৱান মহাৱীরগী *আরাধক* (নিংজবা) নিদনা! ভগৱান মহাৱীরগী মীংদা তৌইদনা? মখোয়না অমবু তৌরবসু, অচুম্বা নত্রগা অরান্বা, তৌইগুম্বসুং ভগৱান মহাৱীর মমীংদা তৌইদনা? মরমদুনা মহাক্কী অৱর্ণবাদ তৌবা য়াদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** অৱর্ণবাদ অমসুং বিরাধনাদা করি খেৎনবগে?

**দাদাশ্রী :** বিরাধনা তৌবশিংদি ওন্না-তৈন্না চৎপা ওই, মখাদা চৎপা ওই, মখাগী মপোক্তা অমসুং অৱর্ণবাদ তৌবশিংদি মতুংদা প্রতিক্রমন তৌরগদি মতুংদা অয়েৎপা ওইদে, রেগ্যুলর ওইবা ওই। কনাগুম্বগী অৱর্ণবাদ তৌরবদি, তৌইগুম্বসুং মতুংদা প্রতিক্রমন তৌরগদি শুদ্ধ (শেংবা) ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা:** অবিনয় অমসুং বিরাধনাগী মতাংদা খরা থঙহনবীয়ু?

**দাদাশ্রী :** অবিনয় বিরাধনা কৌদে। অবিনয়দি অনেম্বা স্টেজনি অমসুং বিরাধনাদি, তশেংনমক্কী মহাক্কী ময়োক্তা চৎপা কৌগনি। অবিনয় হায়বদি ঐহাক্না করিগুম্বা মরি লৈনদে, অসিগুম্বা। বিনয় তৌদবা, মদুগী মমীং অবিনয়।

**ৱাহং-হংলিবা :** অপরাধ হায়বদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** আরাধনা তৌবা মীওইনা মথক্তা কাখৎলি অমসুং বিরাধনা তৌবনা মথা কুমথে। তৌইগুম্বসুং অপধার তৌবা ওইরগদি অনীমক্তগী চৈনা ফংবা ওই। অপরাধ তৌবা মশামক্তি মাংদা কাখৎতে অমসুং কনাগুম্ববসু কাখৎপা ওইহন্দে। মদুবু অপরাধী কৌগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** অমসুং বিরাধনাদসু কনাগুম্ববু মমাংদা কাখৎপা ওইহন্দেদনা?

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং বিরাধনা তৌবদুনা হেন্না ফৈ। কনাগুম্ববু খঙলগদি মতুংদা মহাক্না হায়গনি মদুদি, 'করিবু য়েংদুনা মশোমদা চৎলিবনো? অহমদাবাদ মশোমলোমদা লৈরমগদ্রনে?' মতমদুদা মহাক হল্লকপসু য়াই তৌইগুম্বসুং অপরাধীদুদি হল্লকলোই অমসুং মমাংদসু কাখৎলোই। বিরাধনা তৌবদি ওন্না-তৈন্না চৎলি মরমদুনা ওন্থৈদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং বিরাধনা তৌবদুবু মনাক্তা অমুক-হন্না হল্লক্লবগী খুদোংচাবা লৈব্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, অমুক-হন্না হল্লক্লবগী খুদোংচাবদি লৈদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** অপরাধ তৌবদুবু অমুক-হন্না হল্লক্লবগী খুদোংচাবা লৈব্রা?

**দাদাশ্রী :** মহাক্তি অমুক-হন্না হল্লকপা ঙমদে অমসুং মমাংদসু কাখৎপা ঙমদে। মহাক্কী করিগুম্বা কক্ষা লৈতে। মমাংদা কাখৎতে অমসুং মতুংদসু কুমথদে, য়েংউবদা হান্নগীগুম হান্না, মদুগী মীং অপরাধী।

**ৱাহং-হংলিবা :** অপরাধকী ৱাহন্থোক করিনো?

**দাদাশ্রী :** বিরাধনা অপাম্বা য়াওদনা ওইবা ওই অমসুং অপরাধ অপাম্বগা লোয়ন্না ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু করম্না ওইবগে, দাদাজী?

**দাদাশ্রী :** মচীংদা লেপতুনা লৈরবদি মহাক্না অপরাধ তৌদুনা ফম্মী। থঙই মদুদি মসিদা বিরাধনা তৌবা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে, মদু ওইজরবসু বিরাধনা তৌই। থঙলবসু মদু ওইরবসু বিরাধনা তৌবা মদু অপরাধ তৌবদা চৎলি। বিরাধনা তৌবা নাম্হোকপা ওই তৌইগুম্বসুং অপরাধ তৌবা নাম্হোকপা ঙমদে। য়াম্না কন্বা অরুম্বা অহংকার ওইরগদি অপরাধ তৌদুনা ফম্মী। মরমদুনা অদোম্না ইশামক্তদা হায়বা মথৌ তাই মদুদি, 'ইবুংঙো, নহাক্তি অঙাওবনি। মরম লৈতনা(অহংকারগী)পাৱর পুদুনা চৎলি। মসিদি মীয়াম্না থঙদে তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না থঙই মদুদি নহাক করম্বনো? নহাক্তি চককর নি।' অসিগুম্না ঐখোয়না লায়েংবা দরকার ওই। প্লস-মাইনস তৌবা মথৌ তাই, পুরিন্বা থক্তা তৌরগদি কদায়দা য়ৌগনি? মরমদুনা ঐখোয়না য়েন্থোক্লবা মথৌ তাই। প্লস-মাইনস মহৌশাগী মথা-পোল্লি, তৌইগুম্বসুং পুরিন্বা-য়েন্থোক্লবা মীওইবগী মখুত্তা লৈ। মসি অহংকারদগী ৭কা লোয়ন্না পুরিন্বা তৌরগদি ৭তগী য়েন্থোক্কনি, মতমদুদা *নিঃশেষ* (লেমলোই) ওইগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্বগী *নিন্দা* তৌরগদি মহাকপু করিদা চন্নগনি?

**দাদাশ্রী :** নিন্দা বিরাধনা কৌগনি তৌইগুম্বসুং প্রতিক্রমন তৌরগদি চামথোকপা ওইগনি। মদু অৱর্ণৱাদ কা চপ-মান্নে। মরমদুনা ঐহাক্না হায়রি মদুদি কনাগুম্বগী নিন্দা তৌগনু। মদু ওইজরবসু মীয়াম্না মতুংদগী নিন্দা তৌই। অরে, নিন্দা তৌরোইদবনি। মসি ৱাতাৱরণ পরমাণুশিংনা পীকথল্লি, মরমদুনা পুন্নমক মহাকপু য়ৌবা ওইরি। ৱাহৈ অমফাও কনাগুম্বগী মরমদা ইরেসপোন্সিবল ওইবা ঙাংলোইদবনি অমসুং ঙাংদৌবা ওইরগদি করিগুম্বা অফবা ঙাংউ। ইকাই-খুম্নবা ঙাংউ, তাথীনা ঙাংগনু।

হায়বদি কনাগুম্বগী নিন্দাদা য়াউগনু। থাগৎপা ঙমদ্রগদি কায়বা ওইদে, তৌইগুম্বসুং নিন্দা খোং-থাংজিনগনু। ঐহাক্না হায়গে মদুদি নিন্দা তৌবদা ঐখোয়না করি কান্নবগে? মদুদদি য়াম্না অমাংবা ওই। মসি জগত্তা করিগুম্বা য়াম্না থীনা অমাংবা ওইরগদি মদু নিন্দা তৌবদা ওই। মরমদুনা কনাগুম্বা অমগী নিন্দা তৌবগী মরম লৈরোইদবনি।

মসিদা নিন্দাগুম্বা পোৎ লৈতে। ঐখোয়না থঙন্নবগীদমক মসি ৱাফমশিং

অসি তৌরি মদুদি করিনা চুম্বগে অমসুং করিনা লানবগে! ভগৱান করি হায়বগে? মদুদি অরান্নবু অরান্ননি খঙউ অমসুং অফববু অফবনি খঙউ। তৌইগুম্বসুং অরান্বা খঙবা মতমদা মহাক্কী মথক্তা খজিক্তংফাও দুৱেস(হেত্রেড) থমলোইদবনি অমসুং অফবা খঙবা মতমদা মহাক্কী মথক্তা খজিক্তংফাও রাগ(এটেস্মেন্ট) থল্লোইদবনি। অরান্নবু অরান্না ওইনা খঙদ্রবদি অফববু অফবা ওইনা খঙবা ঙল্লোই। মরমদুনা ঐখোয়না শন্দোক্লা ৱারী শানগদবনি। *জ্ঞানী*গী মফমদগী থক *জ্ঞান* খঙবা ঙম্মী।

# পামদবা, *তিরস্কার* তৌরোইদবনি...

**ৱাহং-হংলিবা :** ৪. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্লা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাবু খজিক্তংফাও পামদবা ফাওবা, *তিরস্কার*(উশিংতবা) কৈদৌনুংদা তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** হোয়, ফারে। ঐখোয়না কনাগুম্বগীদমক পামদবা ফাওবা ওইরগদি, লৌবিয়ু মদুদি অদোম ওফীস্তা ফল্লি অমসুং কনাগুম্বা লাক্লবদি অদোম্না মহাক্কী মথক্তা পামদবা ফাওবা, উশিংতবা, মদু ওইরগদি অদোম্না পূক্নীংদা খন্দুনা মদুগী *পস্তাৱা* তৌগদবনি মদুদি অসিগুম্না তৌরোইদবনি।

মসি *তিরস্কার* অসিদগী কৈদৌনুংদা নান্থোকপা ঙমদে। মদুদদি য়েংথিন্বা থক্তনা পুনশিন্বা ওই। কনাগুম্বগী মথক্তা খজিক্তংফাও উশিংতবা তৌরগদি, অরে মসি জীব পান্দবা অসিগসু উশিংতবা তৌরগসু অদোম্না নান্থোকপা ঙল্লোই। হায়বদি কনাগুম্বগী মথক্তা খজিক্তংফাও উশিংতনা তৌবা য়ারোই। অমসুং কনাগুম্বগী উশিংতবা তৌরগদি, মতমদু ফাও ৱীতরাগ ওইবা ঙল্লোই। ৱীতরাগ ওইবা মথৌ তাই, মতমদুদা অদোম নান্থোকপা ঙমগনি।

# অকন্বা-খোনজেল য়াকপা লোল ঙাংলোইদবনি...

**ৱাহং-হংলিবা :** ৫. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্লা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগা লোয়ন্না অকনবা লোন, *তনতীলী* (য়ুবা)লোন ঙাংদনবা, ঙাংহন্দনবা নত্রগা ঙাংলিবগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা

শক্তী পীবিয়ু। কনাগুম্বনা অকন্বা লোন, *তনতীলী* লোন ঙাংলগদি ঐহাক্না ক্ষুদু(ইকায় খুম্নবা)-রুজু(চম্বা) লোন ঙাংন্বগী মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** অকন্বা লোন ঙাংলোইদবনি। কনাগুম্বগা লোয়ন্না অকন্বা লোন ঙাংখ্রবদি অমসুং মহাক্না নুংঙাইতবা ওইরবদি ঐখোয়না মহাকপু মমাংমক্তদা হায়গদবনি মদুদি 'ইবুংঙো, ঐঙোন্দগী লালখ্রে, লাল্লে হায়জরি।' অমসুং করিগুম্বা মমাংমক্তদা হায়বা ঙমদবা মদুগুম্বা ওইরগদি মতুংদা থম্মোয়নুংদা পছতাৱা তৌ মদুদি অসিগুম্না ঙাংলোইদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** অমসুং অমুক হন্না ঐখোয়না খনগদবনি মদুদি অসিগুম্না ঙাংলোইদবনি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, অসিগুম্না খনগদবনি অমসুং পছতাৱা তৌগদবনি। পছতাৱা তৌরবা থক্তদা মদু লেপ্পা ওইগনি নত্রগদি হেক্ত লেপ্পা ওইদে। খালি ঙাংবা থক্তদগী লেপ্পা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** ক্ষুদু-রুজু লোন হায়বদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** রুজু হায়বদি চম্বা অমসুং ক্ষুদু হায়বদি ইকায়খুম্নবগা লোইন্না। অদুক্কী মতীক ইকায়-খুম্নবগা লোয়ন্না ওইরগদি ক্ষুদুতা হায়গনি। হায়বদি চম্বা অমসুং ইকায়-খুম্নবা লোন ঐখোয়না ঙাংবা অমসুং অসিগুম্না শক্তী নিরগদি, মদু ওইরগদি অসিগুম্না তৌ-তৌদুনা মদুগী শক্তী অদু লাক্কনি। অদোম্না অকন্বা ৱাহৈ ঙাংলগদি অমসুং নুপামচানা নুংঙাইতাবা ওইরগদি মদুগী পছতাৱা তৌ অমসুং নুপামচাদা হায়য়ু মদুদি, 'ঐনা লাল্লে হায়রি। হৌজিক মতুংদা অমুক হন্না ঙাংলরোই।' মসি ৱাঙাংবু হোংদোক্লবগী লম্বীনি অমসুং 'মসি' কোলেজ অমথক্নি।

**ৱাহং-হংলিবা :** অকন্বা লোন, *তনতীলী* লোন মসিদা নত্তনা ইকায় খুম্নবা-চম্বা, মখোয়দা করি খেৎন্বগে?

**দাদাশ্রী :** মীওই কয়ানা অকন্বা লোন ঙাংলিদনা মদুদি, 'নহাক্তি চন্নদবনি, লমচৎ ফত্তবনি, হুরান্বনি।' মদুগুম্বা ৱাহৈ ঐখোয়না তাদ্রিবা! অসিগুম্বা অকন্বা ৱাফম তাবগা ঐখোয়গী থম্মোয় অসি লেপ্পা ওই। অকন্বা লোন খজিক্তংফাও পামবা ওইদে। ওন্না-তৈন্না পুক্নীংদা ৱাহং হংবা ওই মদুদি মসি পুম্বা

করিনো? অকন্বা লোন অহংকারি ওইবা ওই।

অমসুং তনতীলী লোন হায়বদি করিনো? চাংদম্নবদা অসিগুম্না *তন্ত* (ফোং-ফোং শাবা) ওইদনা? 'য়েংউ, ঐহাক্না কয়াম ফজনা থোংলিবা অমসুং মহাক্তি থোংবসু হৈতে!' অসিগুম্না *তন্ত* ওইবা ওই, চাংদম্নবদা লাকপা ওই। মদুগী তনতীলী লোন অদুদি য়াম্না ফত্তবা ওই।

অকন্বা অমসুং তনতীলী লোন অসি ঙাংলোইদবনি। লোনগী দোষ পুম্নমক মসি শবদ অনী অসিদা পুল্লি। মরমদুনা অহাংবা মতমদা 'দাদা ভগৱান'দগী ঐখোয়না শক্তী নিদুনা লৈগনি। অয়াকপা ঙাংবা ওইরগদি মদুগী ময়োক্তা শক্তী নীয়ু মদুদি ঐহাকপু শুদ্ধ ৱাহৈ ঙাংন্বগী শক্তী পীবিয়ু, স্যাদৱাদ ৱাহৈ ঙাংন্বগী শক্তী পীবিয়ু, ইকায়খুম্নবা-চম্বা লোন ঙাংনবগী শক্তী পীবিয়ু, অসিগুম্না নীদুনা লৈয়ু। স্যাদৱাদ ৱাহৈ হায়বদি কনাগুম্বা অমত্তবু নুংঙাইতবা ওইদবা মদুগুম্বা ৱাহৈ।

# নির্ৱিকার লৈন্নবা শক্তী পীবিয়ু

**ৱাহং-হংলিবা :** ৬. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবস্মাগী মথক্তা নুপী, নুপা নত্রগা নপুংসক, লিঙ্গধারি অমা নত্রগা অমবু ওইরবসু, মহাক্কী মরি লৈনবদা খজিক্তংফাও লৌনা-লৈনবগী দোষ, অপাম্বা, চেষ্ট তৌবা নত্রগা ৱাখলগা মরি লৈনবা দোষ তৌদবা, তৌহন্দবা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অদুগুম্বা মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু। ঐহাকপু, লোইবা-নাইদনা নির্ৱিকার লৈন্নবা শক্তী পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** অদোমগী মীৎয়েং-শোয়বগা অদোম খুদক্তা মনুংদা 'চন্দুভাই'(চন্দুভাইগী মফমদা পারিবনা মশামকপু খনবীয়ু)দা হায়য়ু, 'অসিগুম্না তৌরোইদবনি। অসিগুম্বা ঐখোয়দা লেমজদে। ঐখোয় সঙস্কার ওইবা কৱালিটী লৈবা(গুণ)নি। অসিগুম্না ঐখোয়গী ইচননুপী লৈ, মদুগুম্না মহাকসু কনাগুম্বগী মচননুপীনি। ঐখোয়গী ইচননুপীদা কনাগুম্বগী কু(ফত্তবা)মীৎয়েং ওইরগদি ঐখোয়না কয়াম্না নুংঙাইতবা ওইগনি! মদুগুম্না অতোপ্পবুসু নুংঙাইতবা ওইরমগদ্রা নত্রগা ওইরম্লোইদ্রা? মরমদুনা ঐখোয়না অসিগুম্বা অসি লেমজদে। হায়বদি মীৎয়েং শোয়রবদি পছতাৱা তৌগদবা।'

**ৱাহং-হংলিবা :** *চেষ্টা*শিং, মসিগী করি অর্থনো?

**দাদাশ্রী :** হকচাংদগী পাংথোকপা ওইবা থবক পুম্নমক, মদুগী ফোটো কাপ্পা য়াবা মখোয় পুম্নমক চেষ্টশিং কৌরি। অদোম্না ফাগী তৌরি, মদু চেষ্টনি। অসিগুম্না নোকপা ওইরিবা মদুসু চেষ্ট কৌরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি কনাগুম্বগী মীনোক্লবা, কনাগুম্বগী ফাগী তৌবা মখোয় চেষ্টশিং কৌব্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, অসিগুম্বা মখল কয়াগী চেষ্টশিংনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি মসি ৱিষয়-ৱিকারগা মরিলৈন্বা চেষ্টশিং মতৌ করম্নো?

**দাদাশ্রী :** ৱিষয়-ৱিকার(শেক্স)কী মতাংদা হকচাংনা অসিগুম্বা থবক-থৌরম তৌবশিংদু, মদুগী ফোটো লৌবা য়াবা, মখোয় পুম্নমক চেষ্টশিং কৌরি। থবক-থৌরম হকচাংদগী ওইদবা, মদুবু চেষ্ট কৌদে। করিগুম্বদা মসি অপাম্বা ওইবা ওই, পূক্নীংদা ৱাখল লাকপা ওই, তৌইগুম্বসুং চেষ্টশিং ওইবা ওইদ্রি। ৱাখলগা মরিলৈন্বা দোষ মদু পূক্নীংগীনি।

‘ঐহাকপু লেপ্পা লৈতনা *নির্ৱিকার* লৈন্নবগী শক্তী পীবিয়ু।’ মসিথক অদোম ‘দাদাজী’দগী নীয়ু। ‘দাদাজী’দি কৎথোকচাউবনি।

## মহাওদা লুবধ ওইদবা...

**ৱাহং-হংলিবা :** ৭. হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না করিগুম্বা মহাও অমত্তদা *লুবধ*(মীহৌবা) ওইদনবা শক্তী পীবিয়ু। *সমরসী* (মহাও ৬ওইবা) চীঞাং চানবগী মতোনলোপ্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** চাক-চাবা মতমদা অদোম্না ইনঞাং খরদি, হায়বদি থামেন-অশিন্বা থক্তবু পাম্লগদি, মদুগী অদোম্না অমুক হন্না নীংশিংদুনা লৈরগদি, মদু ওইরগদি মদু লুবধ ওইবা কৌরি। থামেন-অশিন্বা চাবদা কায়বা ওইদে তৌইগুম্বসুং মতুংদা অমুক হন্না নীংশিংলোইদবনি। নত্রগদি ঐখোয়গী শক্তী পুম্নমক লুবধ ওইবদা চৎথিগনি। মরমদুনা ঐখোয়না হায়গদবনি মদুদি, ‘অমবু লাকপা ওইরসু ঐহাক্না য়াই।’ করিগুম্বা মখলগী লুবধ ওইবা ওইরোইদবনি। পুখমদা চান্বা লাকপা অদু, হৈনৌ মহি অমসুং তল লাক্লগদি, মদু ওইরগদি তপ্পা চাও। মদুদা

করিগুম্বা মখলগী অকায়বা লৈতে। তৌইগুম্বসুং লাক্লিবদু অদু একসেপ্ট তৌ, অতোপ্পা করিসু নীংশিংগনু।

**ৱাহং-হংলিবা :** সমরসী হায়বদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** সমরসী হায়বদি পুরণপুরী(অথুম্বা তল), হৱাই-থোংবা চাক, ইনঞাং পুন্নমক চাবা, তৌইগুম্বসুং পুরণপুরী থক্তা হেনজিন্না চারোইদবনি।

কনাগুম্বা মীওই থরানা অথুম-অহাও চাবা লেপ্পা ওই, মতমদুদা অথুম-অহাওনা মদুদা ক্লেম তৌব্রা মদুদি ঐহাক্কা লোয়ন্না নহাক্কা করি প্রোব্লেম লৈবগে? দোষ ইরোইগী অমসুং দন্ড ইরোই শেন্নবদুগী! অরে, চিন-লৈগী করি অরান্বা? অরান্বদি ইরোইগীনি। ইরোইগী অরান্বা হায়বদি অজ্ঞান ওইবগী মরাল।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং সমরসী চীঞাং হায়বদি করিনো? মদুদা ভাৱগী চপ-মান্নবা মতৌ করম্না লৈবগে?

**দাদাশ্রী :** অদোম ময়ামগী সমাজতা অসিগুম্বা চান্বা চীঞাং থোংবা ওইদনা, মদু অদোমগী 'সমাজ'কী অপাম্বগী মতুং-ইন্না সমরসী ওইবা য়াবা, মদুগুম্বা চীঞাং থোংই। অমসুং অতোপ্পা ময়ামশিংনা অদোমগী 'সমাজ'কী পীজরবদি মথোয়না সমরসী মাল্লোই, অদোম ময়ামদি মরোক অসিনচীংবা য়াম্না চাদবনি। জাতি খুদিংক্কী সমরসী চীঞাং তোঙান-তোঙান্বা ওই। সমরসী চীঞাং হায়বদি টেস্টফুল, মহাও-লৈবা চীঞাং। মরোক য়াম্না নত্তে, মদুগুম্বা য়াম্না নত্তবা, পুন্নমক দরকার ওইবা চাংদা হাপ্পা মদুগুম্বা পোৎ। কনাগুম্বনা হায়রি মদুদি, 'ঐদি শঙ্গোম থক্তা থক্কুনা চৎহনগনি।' মসি সমরসী চীঞাং কৌদে। সমরসী হায়বদি মখল ৬কী মহাও পুলাপ পুন্না চাও, টেস্টফুল শেমদুনা চাও। অথাবা চাবা ঙমদ্রগদি মদু ওইরগদি কারোৎ অথাবী চাও, সমু কারোৎ চাও, মেথি চাও তৌইগুম্বসুং অথাবসু চাগদবনি। অথাবা চাদবদগী মদুগী মরম্না অনাবা পুন্নমক ওইরিবা। মরমদুনা মতুংদা 'কৱীনাইন' লৌবা ওইরিবা! মদুগী মহাওদু ৱাৎপদগী মসি অৱাংবা অসি ওইরি। হায়বদি মহাও পুন্নমক চাগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি সমরসী লৌন্নবগীদমক শক্তী নীগদবা মদুদি হে দাদা ভগৱান! ঐনা সমরসী চীঞাং লৌবা ঙম্নবগী অসিগুম্বা শক্তী পীবিয়ু?

**দাদাশ্রী :** হোয়, অদোম মসি শক্তী নীয়ু। অদোমগী ভাৱনা করিনো?

সমরসী চীঞ্জাং লৌন্নবগী অদোমগী ভাৱনা ওইরি, মদুনি অদোমগী পুরুষার্থ। অমসুং ঐহাক্কা শক্তী পীবা, মসিনা অদোমগী পুরুষার্থ কন্বা ওইরে।

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা মহাও অমত্তদা লুবধ ওইবা ওইরোইদবনি মদুসু ফৈ?

**দাদাশ্রী :** হোয়, হায়বদি কনাগুম্বনা অসিগুম্বদি ওইরোই- দবনি মদুদি ঐহাক্কা অশিন্বা নত্তনদি অতোপ্পা করিগুম্বা অমত্তা পাম্বা ফাওদে। কনাগুম্বনা হায় মদুদি, 'ঐখোয়না অথুম্বা চাদ্রিমখৈ নুংঙাইবা ফাওদে।' মতমদুদা অহাবা-অশাবগী করি লান্বা ওইবগে? কনাগুম্বনা হায়, 'ঐখোয়না অথুম্বা পামদে, খালি অশাবা থক্তা পামই।' মসি পুন্নমক সমরসী কৌবা ওইদে। *সমরসী* হায়বদি পুন্নমক 'এক্সেপটেড'। য়াম্ব-য়ামদবা চাংদা তৌইগুম্বসুং পুন্নমক এক্সেপটেড।

**ৱাহং-হংলিবা :** সমরসী চীঞ্জাং অমসুং জ্ঞান, মখোয় অনীগী মরক্তা করি কনেকশন লৈবগে? জ্ঞান জাগ্রুতিদা চীঞ্জাং সমরসী ওইদবদু মদু লৌবা য়াদব্রা?

**দাদাশ্রী :** সমরসী চীঞ্জাংকীদমক্তদি অসিগুম্বনি মদুদি ঐখোয়গী (জ্ঞান ফংলবা) মহাত্মাশিংগীদমক্তদি হৌজিক 'ওইরিবা অদু ব্যবস্থিত'নি, মতুংদা মখোয়না করি চাগদবা অমসুং করি চারোইদবা, মদুগী কদায়দা প্রোব্লেম লৈবগে? মসিদি নোর্মেল মীয়ামশিংবু হায়বনি অমসুং ঐখোয়গী মহাত্মাশিংসু ৱাখলদা থরদি লাক্কনি মদুদি ঙল্লিবমখৈ সমরসী চীঞ্জাং লৌগদবনি। ঐহাক্কা হায়রি মদুদি 'ইবুংঙো মরোং থরদি ঐঙোন্দা পীয়ু অমসুং মতুংদা মসিসু হায় মদুদি লোক-খুবগী হৌরকফম শেল্লি!' মতুংদা মদুগী হিদাক লৌই মদুসু 'ঐহাক্কা খঙই, মরমদি মসি প্রক্রুতিনিদনা!'

## প্রক্রুতিগী পুরিন্বা-য়েন্থোক্কবা

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি প্রক্রুতিবু সমরসী(চীঞ্জাং)ওইগদ- বনি, অসিগুম্বা?

**দাদাশ্রী :** প্রক্রুতি হায়বদি করিনো? ১৩দগী পুরিন্বা পোৎ অদু ১৩দগী য়েন্থোক্করবা কান্দা প্রক্রুতি লোয়বা ওইগনি। হৌজিক কনাগুম্বা ১৭দগী পুরিন্বা পোৎ অদু ১৩দগী য়েন্থোক্করগদি করি ওইগনি? মরমদুনা ঐহাক্কা তোঙান্বা মওংদা

পুরিনরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি ১৩দগী পুরিনরি মদুবু ১৩থক্তদগী য়েন্থোক্কদ্রা?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না তৌরবা মতমদা অহেন্বা লেপ্লোইদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী খুদম মতৌ করম্না লৌবা য়াবগে?

**দাদাশ্রী :** প্রক্রুতি হায়বদি মমাংদা ভাৱ তৌখিবা, মদু করিগী মখা-পোন্না তৌখিবগে মদুদি অতোপ্পা চীঞ্জাং পুন্নমক চাবখৈ মদুগী মখা-পোন্না ভাৱ তৌখি। হৌজিক মদুগী ভাৱ অদুবু ১৩দগী পুরিনৈ। হৌজিক মদুগী ভাৱ অদুবু মাংহনগে হায়রবদি ১৩দগী য়েন্থোকনরবা মতমদা লেমদবা ওইগনি। অমসুং অমুক হন্না অনৌবা ভাৱ শেম্বা ওইদ্রগদি মদুগী একাউন অদু লৈত্রে। অনৌবা অপাম্বা লৈত্রে, মরমদুনা একাউন লৈত্রে। একাউন থিংজিনগদবনি।

## ...মদুদা প্রক্রুতিগী শুন্য ওইবা

**ৱাহং-হংলিবা :** শুদ্ধাত্মাগী জ্ঞানদি পীরি। হৌজিক মসি প্রক্রুতি শুন্য ফংন্বগীদমক মসি কলম ৯শিংসি ঙাংলগদি, মদু হেল্প তৌব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদুদগী হেল্পতি ওইগনি। পুরিনখিবা অদুদগী মদুনা য়েন্থোকনৌ। ঐঙোন্দা ডোক্টরনা হায় মদুদি, 'মসি চাবীয়ু'। ঐহাক্না হায়, 'ডাক্টর, মসিগী ৱাফম অসি অতোপ্পা অনাবশিংদা ওইনা হায়বীয়ু। মসি ঐহাক্কী পুরিন্বসি অতোপ্পা মখলগীনি। মহাক্না ঐঙোন্দা য়েন্থোক্লবা হায়রগদি মদুগী মতৌ করম্না চানগনি?'

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোমদি মদুগী মথক্তা চাং হেন্না মোরোক লৌদুনা য়েন্থোকনৈ?

**দাদাশ্রী :** মোরোক লৌবা মতমদা ঐহাক্না পুন্নমক্তা হায়রি মদুদি মসি লোক-খুবগী হৌরকফম শেমগে অমসুং লোক-খুরদি য়েংহল্লি মদুদি য়েংউ, লোক-খুইদনা?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুদা য়েন্থোক্লবা কদায়দা লাক্লিবা?

**দাদাশ্রী :** মদুবু য়েন্থোক্লবা কৌই। মোরোক লৌরমদ্রগদি য়েন্থোক্লবা মপুং ফারম্লোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি প্রক্রুতিদা হান্না হাপখিবশিং অদু, মদুবু হৌজিক লোইশিনগনি?

**দাদাশ্রী :** হোয়, লোইশিননি।

নীরু বহেনদা ঐহাক্না হায়রি মদুদি, 'অদোম্না য়ারগদি সুপারী চাগনি?' তৌইগুম্বসুং সুপারী চাবা মতমদা হায় মদুদি 'মসি লোক-খুন্বগী মরম্নি।' মতমদুদা মহাক্না অনম্বদদি 'থিংবা' ওই, মদু ওইরগদি লৌদে অমসুং মতুংদা হায় মদুদি 'লৌবিয়ু', মতমদুদা লৌবা ওইরি। মরমদুনা লোক-খুই অমসুং (অসুম ওইনদি) ঐহাক্না সুপারী চাদে। ঐহাক্না করিগুম্বা পোৎ অমত্তগী হৈনবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মনুংদা মাল তুংদুনা লৈরি মদুগী হিসাবতগী চাবা ওইদনা!

ঐখোয়গী মসি 'অক্রম বিজ্ঞান'নি! মসি মমাংগী হৈনবিশিং য়াওদুনা লৈদনা মরমদুনা থোকপা ওইরি। মরমদুনা মসি শক্তী নীয়ু। মতুংদা লুপধ চীঞাং লৌরগদি, মদুদা করিসু কায়বা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মসি কলমগী মথা-পোন্না ঙাংবদগী কোনত্রেক্ট তগী নান্থোকপা ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়গী লৈরিবা প্রক্রুতি, মদুবু করিগুম্বা পুরিনরগদি মদু হেঙ্গৎকনি। মদুগী য়েন্থোক্লবা তৌগদবনি। প্রক্রুতিবু প্রক্রুতিদগী য়েন্থোক্লগনি, মসিবু খরা খঙহনবীয়ু।

**দাদাশ্রী :** মরমদুনা মসি কলম হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাংবদগী মদুদা য়েন্থোক্লদুনা লৈগনি অমসুং হন্থদুনা লৈগনি। মসি কলম অসিবু ঙাংদ্রগদি(প্রক্রুতি মওং ওইবা) উপাম্বী মশা-মতোম্না চাওখৎতুনা লৈগনি। মরমদুনা মসিবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাংবদগী হন্থবা ওইগনি। মসিবু ঙাং-ঙাংলগদি মদু ওইরগদি মনুংদা প্রক্রুতিগী পুরিন্বা ওইবদু মদু তেক্কনি অমসুং আত্মাগী পুরিন্বা ওইগনি অমসুং প্রক্রুতিগী য়েন্থোক্লবা ওইগনি। মরমদুনা আত্মা শক্তী হেন্না হেঙ্গকনি। মতম ফংবগা মসি কলম ৯শিং অহিং-নুংথিল ঙাংদুনা লৈয়ু! হেক-হাংবগা ঙাংদুনা লৈয়ু। ঐহাক্তি হিদাক পুন্নমক পীরি, পুন্নমক খঙহল্লি, মতুংদা অদোম্না তৌগদবা মদু তৌ...

## লৈরিবা-লৈখিদ্রবা, হিংলিবা-শিখ্রবগী...

**ৱাহং-হংলিবা :** ৮. 'হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং

ওইরিবা জীবাত্মা হৌজিক লৈবা নত্রগা লৈখিদ্রবা, হিংলিবা নত্রগা লৈখিদ্রবা, কনাগুম্ববু খজিক্তংফাও অবর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অদুগুম্বা মতোনলোম্লবা শক্তী পীবিয়ু।'

**দাদাশ্রী :** অৱর্ণৱাদ হায়বদি কনাগুম্বা মীওইবগী মপানদা ইকায় খুম্নবা ওইবা, থাক-ৱাংবা, মমীং চৎপা, মদু ওইরগদি মহাক্কী মতাংদা ওন্না-তৈন্বা ঙাংদুনা থুদেকপা, মদুবু অৱর্ণৱাদ কৌই। মহাক্কী ওন্না-তৈন্বা ঙাংবা।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদা শিখ্রবশিং মখোয়বুসু ঐখোয়না ঙাকপীয়ু হায়জবা, ঐখোয়না করিগুম্বা মমীং পন্বশিংদু, মদু মহাকপু য়ৌব্রা?

**দাদাশ্রী :** মহাকপু য়ৌহনগদবা নত্তে। শিখ্রবা মীওই ওইবা অমসুং ঙসি মহাক্কী মমীং লৌদুনা অদোম্না তাখিনা চৈরগদি অদোম য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা দোষগী শরুক ওইবা ওই, অসিগুম্না ঐহাক্না হায়বা পাম্মী। মরমদুনা ঐহাক্না তৌগনু হায়রি মদুদি শিখ্রবা অদুগীসু মমীং লৌগনু (করিগুম্বা ফত্তবা ঙাংগনু)। মসি নত্তনদি, য়ৌহন্বা-য়ৌহনদ্বা মদুগী ৱাহং লৈতে। কনাগুম্বা ফত্তবা মী ওইবা অমসুং মহাক্না পুম্নমক ওন্না-তৈন্বা তৌদুনা শিখ্রবা ওইরবদি, মদু ওইরবসু মহাক্কী মতুংদা করিগুম্বা ফত্তবা অমত্তা ঙাংগনু।

হৌজিক রাবণগী মতাংদসু লাম্না ঙাংলোইদবনি, মরমদি মহাক হৌজিক হকচাং ওইবা ওইরি (অতোপ্পা মপোক্তা)। হায়বদি মহাকপু 'ফোন' য়ৌবা ওই। 'রাৱণ অসিগুম্বনি অমসুং মদুগুম্বনি' ঙাংলগদি, মদু ওইরগদি মদু মহাকপু য়ৌবা ওই।

অদোমকী কনাগুম্বা মরি-মতা মহাক শিখ্রবা ওইবা অমসুং মীয়াম্না মহাক্কী নিন্দা তৌরগদি অদোম্না মদুদা হোয়, হোয় হায়দুনা য়াবা তৌরোইদবনি। অসিগুম্না তৌখ্রবা ওইরগদি অদোম্না মতুংদা পছতাৱা তৌগদবনি মদুদি অসিগুম্বা অসি থোক্লোইদবনি। কনাগুম্বা শিখ্রবগী মরমদা অসিগুম্বা ৱাফম ঙাংবা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অপরাধনি। শিখ্রবা অদু মহাকপুসু ঐখোয়গী মীয়ামদি থাদোক্তে। অসিগুম্না তৌব্রা নত্রগা তৌদব্রা মীয়াম্না? অসিগুম্না তৌরোইদবনি, অসিগুম্না ঐহাক্না হায়বা পাম্মী। মদুদা অচাউবা অরুম্বা খুদোং-থিনিংঙাইনি।

মদুগী মতমদুদা হান্নগী 'ওপীনিয়ন'গী মতুং ইন্না মসি ঙাংবা ওইরি। মরমদুনা মসি কলম অসি ঙাংদুনা লৈবা অমসুং মতুংদা মদুগী ৱাফম অদু

ঙাংথোকখ্রবদি, মদু ওইরগদি দোষ লৈবা ওইদে। হুক্কা থকপা অমসুং ঙাংদুনা লৈবা মদুদি 'মসি থক্লোইদবনি, কনাগুম্বা অমবু থকহল্লোইদবনি নত্রগা থক্লিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদন তৌদন্বা, অসিগুম্বা শক্তী পীবিয়ু।' মদু ওইরগদি মসিনা কারর(শহি তৌথিবা) পুম্নমক লোইবা ওই, নত্রগদি *পুদগল* (অহংকার)গী স্বভাৱ খুদক্তা হোংবা ওই। মরমদুনা অদিগুম্বা ভাৱনা তৌগদবনি।

# জগত য়াইফন্বা তৌন্বগী শক্তী পীবীয়ু

**ৱাহং-হংলিবা :** ৯. 'হে দাদা ভগৱান! ঐহাকপু জগত য়াইফন্বা তৌন্বগী *নিমিত্ত* (মাধ্যাম)ওইনবগী মতোনলোপ্লবা শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।' ঐখোয়না মসি য়াইফন্বগী ভাৱনা তৌরগদি, মদু ওইরগদি মদু মতৌ করম্না থবক তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** অদোমগী শবদ অসিগুম্না থোক্লক্কনি মদুদি মাংদা লৈরিবা অদুগী থবক ওইগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোম পৌদগলিক নত্রগা 'রীয়ল'(আত্মা)গী য়াইফন্বগী ৱারী শাব্রা?

**দাদাশ্রী :** *পুদগল*(অনাত্মা)গী নত্তে, ঐহাক্তি 'রীয়ল'লোমদা পূনবগী মদুখক্কী মথৌ তাই। মতুংদা 'রীয়ল'গী মতেংনা মমাংগী (মোক্ষ ফাওবগী)থবক ওইগনি। মসি 'রীয়ল' ফংলবদি 'রীলেটিব' ফংগনি! জগত পুম্বগী য়াইফবা ওইরো অসিগুম্বা ভাৱনা হেন্না তৌগদবনি। খালি শকন্নবগী মরম ওইনা ঙাংলোইদবনি, ভাৱনা তৌগদবনি। মসিদি মীয়াম্না মসিবু খালি শকন্নবগীদমক শক্লি, শ্লোক ঙাংবগুম্না, মদুগুম্না।

**ৱাহং-হংলিবা :** অসিগুম্না হাংনা ফমদুনা লৈবা, মদুগী মহুত্তা অসিগুম্বা ভাৱনা তৌরগদি য়াম্না অফবা হায়গনিদনা?

**দাদাশ্রী :** য়াম্না ফৈ। ফত্তবা ভাৱদি চৎখ্রে! মদুদা ঙল্লিবমখৈ তৌবা মদুমখৈদি চুম্মে, মদুখৈদি তানশিল্লেদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী ভাৱ অদুবু মেকেনিকল ভাৱ হায়বা য়াব্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে। মেকেনিকল মতৌ করম্না হায়বা য়াবগে? মেকেনিকলদি

মহাক্কা দরকার ওইবদগী হেন্না, অসুম হেক, মশানা খঙবা ওইদবা অমসুং ঙাংদুনা লৈরবদি, মতমদুদা মেকেনিকলী!

## মসিদা তৌগদৌবা করিসু লৈতে

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদা ইরি মদুদি 'ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু', শক্তী পীবিয়ু', মদু ওইরদি অসিগুম্বা পাবদগী ঐখোয়না শক্তী ফংগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** শোয়দমক্কী! মসি 'জ্ঞানী পুরুষ'গী শব্দনি!! প্রধানমন্ত্রিগী ছিঠি ওইবা অমসুং মফমসিগী ব্যাপারী অমগী ছিঠি ওইবা মদু ওইরগদি মদুদা করিগুম্বা খেন্নবা লৈতৱ্রা?! করিগী অদোম ঙাংদ্রিবনো? হোয়, মরমদুনা মসি 'জ্ঞানী পুরুষ'কী ৱাফম্নি। মসিদা বুদ্ধি চলাইরগদি মীওইবনা ঙাওবা ওইগনি। মসিগী ৱাফমশিংদি বুদ্ধিগী মপানগী ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং ইফেক্টিব ওইনবগীদমক মদুদা ইরিবগুম্না মদুগী মখা-পোন্না তৌগদৱ্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, মসিবু পাগদৌবা খক্তনি। মশা-মতোম্তা ইফেক্টিব ওইগনি। মরমদুনা মসি (কলম ৯শিংগী)লাইরিক অদোম ইশাগী মনাক্তা থম্মু অমসুং নুংতিগী পাও। অদোম্না মসিগী মনুংগী জ্ঞান পুন্নমক্কী খঙবা ওইরগনি। নুংতিগী পা-পাদুনা অদোম্না মসিগী প্রেক্টিস ওইবা ওইগনি। মদুগী মওং ওইবা ওইরগনি। ঙসি অদোম্না খংবা ঙমলোই মদুদি মসিদা ঐঙোন্দা করি কান্নবগে? তৌইগুম্বসুং তপ্পা-তপ্পা অদোম্না 'একজেক্ট' খঙবদা লাক্লগনি।

মসি শক্তী নীবদগী মতুংদা মদুগী মহৈ শাজৎতা লাক্তুনা লৈগনি। মরমদুনা অদোম্না 'দাদা ভগৱান'দগী শক্তীশিং নীগদবনি। অমসুং 'দাদা ভগৱান'গী মনাক্তা অপার, মশীং-থিঙমদ্রবা শক্তীশিং লৈ, নীবা অদু মদুমক ফংবা ওইবা! হায়বদি মসিবু নীবদগী করি ওইগনি?

**ৱাহং-হংলিবা :** শক্তী ফংবা ওইগনি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মসিবু য়াথং-ইন্নবগী শক্তী লাক্কনিদনা, মদুগী মতুংদা য়াথং ইন্বা ঙমগনি। মখোয় অসুম্না হেক্তা য়াথং-ইন্বা ঙমদে। মরমদুনা অদোম মসি শক্তী হঞ্জিন-হঞ্জিন নীদুনা লৈয়ু। অতোপ্পা করিসু তৌগদৌবা লৈতে, মসিদা

ইরিবগুম্না মদুগুম্না খুদক্তা ওইবা য়াবা অদুগুম্বা নত্তে অমসুং ওইবসু ওইরোই। অদোমদগী ঙম্লিবমখৈ মদুবু থঙউ মদুদি মসিখৈ তৌবা ঙম্মী অমসুং মসিখৈ তৌবা ঙমদে মদু ওইরগদি মদুগী ঙাকপীয়ু হায়জবা অমসুং লোয়না-লোয়ন্না মসি শক্তী অসি নীয়ু, মসিদগী শক্তী ফংবা ওইগনি।

# শক্তী নীদুনা, সিদ্ধ তৌ কলম

ইবুংঙো অমদা ঐহাক্না হায় মদুদি, 'মসি কলম ৯শিংদা পুম্নমক পুন্বা ওইরি। মসিদা করিগুম্বা অমত্তা লেমহৌবা লৈত্রে। অদোম মসি কলম ৯শিং নুংতিগী পাউ।' মতুংদা মহাক্না হায়, 'তৌইগুম্বসুং মসিদি তৌবা ঙল্লোই।' ঐহাক্না হায়, 'অরে, ঐহাক্না তৌন্নবা হায়বা নত্তে।' 'তৌবা ঙল্লোই' অসিগুম্না করিগী হায়রিবনো? অদোমদি মসিখক হায়গদবনি মদুদি, 'হে দাদা ভগৱান, ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু।' শক্তী নীনবা হায়রি। মতমদুদা হায়, 'মদু ওইরগদি য়াম্না নুংঙাইগনি!' (সংসারদা) মীয়াম্নদি তৌবা থক্তবু তমবীরি।

মতুংদা ঐঙোন্দা হায়, 'মসি শক্তীশিং অসি কনানা পীগনি?' ঐহাক্না হায়, 'ঐনা শক্তীশিং পীগনি।' অদোম্না নীবা পুম্নমক মদুগী শক্তীশিং পীনবগী শেমশাদুনা লৈরি। অদোম্না ইশাবু নীবসু হৈজদে, মরমদুনা ঐহাক্না মসিগুম্না তমবিবা মথৌ তারি মদুদি অসিগুম্না শক্তীশিং নীয়ু। অসিগুম্না তমবিদব্রা? য়েংউনে, পুম্নমক তম্বিরিদনা? মসি ঐহাক্না তমবিবা পুম্নমক নিদনা? মতুংদা মহাক্না খঙলে, মতুংদা হায় মদুদি মসিখৈদি ঙমগনি, মসি থক্তা পুম্নমক লাক্লে।

**ৱাহং-হংলিবা :** অহান্বদদি মসি *শঙকা* (চিংনবা) ওইবা ওই মদুদি শক্তী নীবদগী ফংগদ্রা নত্রগা ফংলোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** মসিগী *শঙকা* অরান্বা সাবিত ওইদুনা লৈবা ওই। হৌজিক মসি শক্তী নীদুনা লৈদনা! মরমদুনা অদোমদা মসি শক্তী ফাওগৎলবা মতুংদা, মদুগী শক্তীদুনা থবক তৌহনগনি। অদোম্না করিসু তৌগদবা নত্তে। অদোম্না তৌবা চৎলগদি অহংকার হেঙ্গৎকনি। মতুংদা 'ঐনা তৌবা চৎলি তৌইগুম্বসুং ওইবা ওইদে' অসিগুম্না ওইগনি মতুংদা। মরমদুনা মদুগী শক্তী অদু নীয়ু।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি কলম ৯শিংদা ঐখোয়না শক্তী নীরি মদুদি অসিগুম্না তৌদবা, কনাগুম্বা অমবু তৌহন্দবা অমসুং অনুমোদন তৌদন্বা, মরমদুনা

মসিগী অর্থদি মসিনি মদুদি লাক্কদৌবা মতমদা অসিগুম্না ওইদন্বা, মদুগীদমক ঐখোয়না শক্তীশিং নীরি নত্রগা মসি ঐখোয়গী মমাংগী তৌথিবা-তৌহনখিবদু চামথোক্নবা মদুগীরা মসি?

**দাদাশ্রী :** মমাংগীদু চামথোক্নবগীদমক অমসুং শক্তী ফাওগৎন্বা। শক্তীদি লৈ, তৌইগুম্বসুং মদুগী শক্তী(মমাংগী দোষ) চামথোক্নবা মতমদা ফাওগৎপা ওই। শক্তীদি লৈ তৌইগুম্বসুং ফাওগৎপা ওইগদবনি। মরমদুনা দাদা ভগৱানগী থৌজাল নীরি, মসি ঐখোয়গী চামথোক্নগদি শক্তী ফাওগৎপা ওইগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি পুম্বা পায়, মসিদি থোইদোক-হেন্দোকপা ৱাফম্নি। অপীকপা মীওই অমনসু করিগুম্বা খঙলগদি মহাক্কী পুন্সি চুপ্পা নুংঙাইবদা চৎকনি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মসি নত্তনদি খঙবা য়াবা ৱাফমদি(ঙসি ফাওবা)মহাক্না ফংদ্রি। মসি অহান্বা ওইনা মরীক-চুম্না খঙবা য়াবা ৱাফম ফংবা ওইরি। হৌজিক মসিবু ফংলগদি সোল্যুশন লাক্লগনি।

মসি কলম ৯শিংদগী মশা-মতোম্তা ঐখোয়দগী কলমশিংগী য়াথং ইন্বা ঙল্লিবা মখৈ, মদুদা কায়বা ওইদে। তৌইগুম্বসুং য়াথং ইন্বা ঙমদবা মদুখৈ, মদুগী পূক্নীংদা নুংঙাইতবা তৌগনু। অদোমদি মসি থক্তা হায়গদবনি মদুদি ঐহাকপু শক্তী পীবীয়ু। মদুদগী শক্তী ফংদুনা লৈগনি। মনুংদা শক্তী তুংশিন্দুনা লৈগনি। মতুংদা থবক মশা-মতোম্তা ওইগনি। শক্তী নীরগদি কলম ৯ পুম্নমক সেট ওইগনি। হায়বদি অদোম্না ঙাংবা থক্তা ওইরগসু য়াম্না ফারে। ঙাংবা হায়বদি শক্তী নীরি, মদুদগী শক্তী ফংলি।

# 'ভাৱনা' দগী ভাৱশুদ্ধি

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোম্না হায়দনা মদুদি, হুক্না থকপা ওইরি তৌইগুম্বসুং মনুংদা চত্থদুনা লৈ মদুদি থক্লোইদবা, থকহল্লোইদবনি অমসুং থক্লিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদন(অয়াবা) তৌরোইদবনি...

**দাদাশ্রী :** হোয়, হায়বদি মসিগী অর্থদি মসি থক্লি মদুদি, 'অদোম মসিদা য়ানিংবা ওইদে', অসিগুম্না হায়বা পাম্মী। 'মরমদুনা মদুদগী তোঙাল্লি অমসুং হুক্না থকপা করিগুম্বা মশা-মতোম্তা লেপ্পা ওইরগদি, মতমদুদা ফৈ। তৌইগুম্বসুং হৌজিক অদোম মদুদা নপ্পা ওইদ্রে, মদুনা অদোমদা নপ্পা ওইরি।

মহাক্কী পুন্সি লোইবগা চৎথিবা ওইগনি, অসিগুম্না হায়বা পাম্মী। নাকন অমরোমদা হুক্কা গুরু-গুরু লাওনা থকপা অমসুং নাকন অমরোমদা মসি ভাৱনা ঙাংলগদি (তপ্না-তপ্না) গুরু-গুরু লাওনা থকপা অদু মাংথিনি অমসুং মসি ভাৱ অসিগী হৌবা ওইরে।

হৌজিক মীয়াম্না হায়নৈ মদুদি 'লেংশিনবীরকউ সাহব, লেংশিনবীরকউ সাহব।' মতমদুদা মদুদা পূক্নীংদা করি ওইবগে হায়বদা মদুদি 'মসিগী মতমসিদা কদায়দগী লাক্লিবনো?' মদু নত্তবদা মসিনা করি হায়বগে মদুদি, 'অদোম্না হুক্কা গুরু-গুরু লাওনা থক্লি, তৌইগুম্বসুং মনুংদা 'মসি তৌরোইদবনি,' অসিগুম্বনি। মদু নত্তবদা মখোয় ময়ামনা মসিবু ওন্না ঙাংলি। মপান্দা 'লাকপীয়ু, লেংশিনবীরকউ' হায়রি অমসুং মতুংদা মনুংদা (পূক্নীংদা) হায়বা ওই মদুদি, 'মসিনা কদায়দগী লাক্লিবনো?' মদু ওইরগদি মখোয়না শেমদোক্লিবা অদুবু মাংহল্লি। মদু নত্তবদা অদোম্না অশোয়বা মদুবু শেমদোক্লি।

**ৱাহং-হংলিবা :** 'অক্রম ৱিজ্ঞান' পুম্বগী অঙকপদি মসিনি মদুদি মপান্দা অশোয়বা ওইরি অমসুং মনুংদা শেমদোক্লি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মরমদুনা ঐখোয়না পূক্নীং পেন্বা ওইদনা! মদু ওইজরবসু মসি অহান্বা বেতস মাংজরবা ওইরগসু মাংজখ্রে, তৌইগুম্বসুং মসি অনৌবা বেতস অসিদি অফবা ওইগনি। বেতস অমা মাংজরবসু মাংজখ্রে, তৌইগুম্বসুং অনৌবদুদি ফগনিদনা? মদুদা মখোয়না করি হায়বগে হায়বদা 'মসি অহান্বা বেতস অসি মসিদুবু শেমদোক্কনি।' অরে, হৌজিক থাদোক্লো। থাদোক্লোনে, অনৌবা অদুসু শোয়গনি। মসিদি অহান্বা বেতস অদুসু মাংলে অমসুং থাওসু মাংলে।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঙসি শোয়রিবা অদু, মদুগী দাইতা ঙসি ঐখোয় নত্তে। মদুদি মমাংগী মপোক্কী পরীনাম্নি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, ঙসি ঐখোয় দাইতা লৈতে। ঙসি মদুগী সত্তা অতোপ্পগী মখুত্তা লৈ। দাইতা ঐখোয়গী খুত্তা লৈতেদনা! মসিদা হোংগদবা লৈতে অমসুং মরম লৈতনা হাথু-হাথু করিগী তৌরিবনো?! তৌইগুম্বসুং মদুদদি মতুংদা গুরু মহারাজনসু হায় মদুদি, 'করিগুম্বা অসিগুম্না ওইদ্রগদি নহাকপু মসিদা চংহল্লোই।' মদুদা মহাক্না করি হায়বগে মদুদি 'সাহব, ঐহাক্না তৌবদি য়াম্না তৌনিংই

তৌইগুম্বসুং ওইবা ওইদে, মদুগী করি তৌগনি?' হায়বদি খঙদবনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বসি পুন্নমক চৎথরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদি প্রক্রুতি খঙহৌদনা করিগুম্বা ওন্না-তৈন্বা তৌইদনা, মতমদুদা মহাক্না মনুংদা শাখিনা সফোকেসন (ফুন্বা) ওইবা ওই।

**দাদাশ্রী :** অরে, মদু ফাওবা ওইবা ওই মদুদি নুমিতৎ ৫নি-৫নি ফাওবা চাদে। অরে, মরালনা কনাগী অমসুং কনাবু ফুদুনা লৈরিবা! চাকখাওবু করিগীদমক ফুরিবনো! মরাল পূক্নীংগীদি অমসুং চাখাওবু ফুরি। হায়রি মদুদি, 'নহাক্না চাক চারোইদবনি'। মতমদুদা মহাক্না করি তৌগনি তোল্লবনা? মতুংদা শক্তী চৎখিগনি, তোল্লবগী। করিগুম্বা মহাক্না চারবদি, মদু ওইরগদি অতোপ্পা করিগুম্বা থবক তৌবা ঙমগনি। মরমদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্না হায়দনা মদুদি 'ইরোইগী মরালগী দন্ড শেন্নরীবা অদুবু করিগী পীরিবনো?' মরাল ইরোইগী (পূক্নীংগী) অমসুং মসি শেন্নরীবা (হকচাংগী) তোল্লবগী করি মরালনো?

অমসুং মপানদা উফুন কন্থোক-কন্থোক্তুনা তৌবনা করি কান্নবগে? ঐখোয়গী সত্তাদা লৈবা ওইদেদনা! মতুংদা মরম লৈতনা লাও-খোংবগী করি অর্থনো? তৌইগুম্বসুং মনুংগী ফত্তহাওথি পুন্নমক কন্থোকপা দরকার ওই, মনুংগী পুন্নমক চামথোকপা মথৌ তাই। মসিদি মপানগী চামথোকপা ওইরি, গংগাজীদা চৎলগসু হকচাংবু হঞ্জিন-হঞ্জিন লুপ্পা ওই। অরে, হকচাংপু ইরুপ্পদগী করি সিদ্ধ তৌগনি? পূক্নীংবু ইরুপ্পা ওইহল্লুদনা! পূক্নীংবু, বুদ্ধিবু, চিত্তপু, অহংকারবু, মসি পুন্নমকপু, অন্তঃকরণবু লুপহনগদবনি। মসিদা সাবুনসু কৈদৌঙৈদা শিজিন্নদে। মতুংদা মাংগনি নত্রগা মাংলোইদ্রা?

চহী নৌরিবা, মতমদু ফাও ফজনা চৎথবা ওই। মতুংদা নুমিৎ খুদিংগী অমাংবা ওইরি, মতুংদা অমোৎপশিংদু পৈশিন্দুনা লৈবা ওই। মরমদুনা ঐহাক্না করি হায়বগে হায়বদা নহাক্কী শাজৎ মপান্দা থম্মু অমসুং মসি কলম ৯শিং পুদুনা চৎলু। মসিদা লৈরিবা পুন্নমক অরান্বনি মদুবু মপানদা থনম্মু অমসুং মসি কলম ৯শিংগী ভাৱনা তৌদুনা লৈয়ু, মদু ওইরগদি মথংগী মপোক ওইগনি খ্বাইদগী ফবা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি 'জ্ঞান' ফংদবা ওইরগদি, মখোয় ময়াম্নসু মতৌ অসুম্না শাজৎতা অহোংবা পুরকপা ঙমগনিদনা ?

**দাদাশ্রী :** হোয়, পুন্নমক অহোংবা পুরকপা ঙমগনি। পুন্নমক্তা মসিবু ঙাংবা য়াই।

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা ওন্না-তৈন্বা ওইরগদি মতুংদা মদুবু চামথোক্লবগীদমক মসি কলমশিং খ্বাইদগী ফবা উপায়নি।

**দাদাশ্রী :** মসিদি য়াম্না চাউবা পুরুষার্থনি। হায়বদি খ্বাইদগী অচৌবা বিজ্ঞান ঐহাক্না মঙাল ওইনা পুরক্লি মসি(ঐহাক্না হাংদোক্লি মসি)! তৌইগুম্বসুং হৌজিক মীয়াম্না খঙবদা লাকপা দরকার ওইদনা! মরমদুনা মতুংদা শোয়দনা তৌগদবা থল্লি মদুদি মসিখৈ নহাক্না তৌগদবনি। খঙজদবা ওইরবসু, তৌইগুম্বসুং মসিখৈ (কলম ৯শিংগী হিদাক) থকচিল্লুদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মনুংগী-ওইবা লায়না মাংবা ওইগনি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মাংবা ওইগনি। ‘দাদা’ হায় মদুদি ‘পাউ’ মদু ওইরগদি পাগদৌবা থক্লি, মদু ওইরগসু য়াম্না ফারে! মসিদি তুমহনগবা নত্তে। মসিদি য়োমলিবা অদু তুমহন্দুনা থকউ অমসুং মতুংদা ইংনা-তপ্না কোয়বা য়াই!

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা মসিবু চুমব্রা মদুদি ভাৱ তৌবদগী পাত্রাতা(মতিক-চাবা) হেঙ্গৎপা ওই?

**দাদাশ্রী :** ভাৱ থক তশেংবা পুরুষার্থনি। অতোপ্পা পুন্নমক কানদবা ৱা ঙাক্তনি। তৌবা ওইবা ফম অদুদি ফাজিন্বা ওইবা ফমনি অমসুং মসি ভাৱিদ নান্থোকপা ওইহনগদবা ফমনি। ‘অসিগুম্না তৌ, মদুগুম্না তৌ, অসিনচিংবা তৌ’, মরমদুনা মতুংদা ময়াম ফাজিল্লিদনা, মদুদগী!

# ভাৱনা মহৈ পীগনি, মথংগী মপোক্তা

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা অসিগুম্বা ব্যাবহার থোক্লগদি মদুদি ঐখোয়দগী কনাগুম্বগী অহংকারগী প্রমান নুংঙাইতবা ওইহল্লগদি, মসিগুম্বা মতমদা মসি কলম অসি ঙাংবা য়াব্রা মদুদি কনাগুম্বা অমত্তগী অহমগী প্রমান নুংঙাইতবা তৌহল্লোইদবনি...?

**দাদাশ্রী :** মতমদুদা ঐখোয়না ‘চন্দুভাই’দা হায়য়ু মদুদি ‘ইবুংঙো, *প্রতিক্রমণ* তৌ, মহাকপু নুংঙাইতবা তৌবা মদুগী।’ অমসুং অতোপ্পা ৱা মচা-মচাদদি প্রোব্লেম ওইবা তৌরোইদবনি। মসি নত্তনদি, কনাগুম্বগী অহমবু

নুংঙাইতবা তৌরগদি, অসিগুম্বা অরুম্বা লক্ষণ ওইদবা। অমসুং খজিক্তং নুংঙাইতবা ওইরগদি ঐখোয়না 'চন্দুভাই'গী মনাক্তা প্রতিক্রমণ তৌহনগদবনি।

মসিদি ভাৱনা তৌগদবনি। হৌজিক মপোক অমদি লেমদুনা লৈদনা, মরমদুনা মসি ভাৱনা মহৈ পীগনি। মতমদুদা অদোম ভাৱনা মওং-ওইনা ওইবা ওইগনি। ভাৱনা ইরিবা অদুগুম্না মদুগুম্না শাজৎসু ওইগনি, তৌইগুম্বসুং মথংগী মপোক্তা! হৌজিক মরু হুল্লি মরমদুনা অদোম্না হায়রবদি 'পুবিরকউ, তাম্হোক্তুনা চাথোক্কে মনুংদগী।' মদু ওইরগদি মদু য়ারোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** পরিণাম মসি মপোক অসিদা নত্তে, মথংগী মপোক্তা লাক্কনি?

**দাদাশ্রী :** হোয়, হৌজিক মপোক অমা-অনী লেমহৌরি। মদুগীদমক মসি মরু হুল্লি, মরমদুনা মথংগী মপোক্তা 'ক্লিয়র'(তশেংনা)লাক্কনি। মসিদি কনাগুম্বনা(অফবা) মহৈ হুনগে থন্বা মহাক্কীদমক্কি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি মসি লেপ্পা নায়দনা হায়বদি ব্যাবহার তৌ-তৌবা মদুগী মতুং ইন্না?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, মদুগী ব্যাবহারগা অমসুং মসিগী ভাৱানা অসিগা করিসু মরি লৈনদে। ব্যাবহারগা করি মরি লৈব্বগে? ব্যাবহারদি নিরাধারনি ওই! অমসুং মসি ভাৱনাদি *আধারিত* পোৎনি। মসি ভাৱনসিংদি লোয়ন্না লাক্কনি অমসুং ব্যাবহারদি চৎথিগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং ব্যাবহারগী মথা-পোন্না মসি ভাৱনা অসি তৌবা য়াইদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে। ব্যাবহারগা করিসু মরি লৈনদে। ভাৱনা থক্তা লোয়ন্না লাক্কনি। মসি ব্যাবহারদি নিরাধারনি, মদুদি চৎথিগনি। য়াম্না ফবা ব্যাবহার ওইরগসু তৌইগুম্বসুং মদুসু চৎথিগনি। মরমদি মদু সনয়োগ ফংবা ওইরি মসিদি মসি ভাৱনা তৌগদবনি। মসিগী সনয়োগ ফংগদৌবা হৌজিক ৱাৎলি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মদুগী ব্যাবহারগী মরম্না মশাগী ভাৱ হোংবা ওই, মতমদুদা মসি ভাৱগী প্রয়োক তৌদুনা অমুক-হন্না ভাৱ হোংহনগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং মদু করিসু হেল্প তৌদে। মমাংগী মপোক্তা তৌথিবথৈদু, মদু হৌজিক হেল্প তৌবা ওই। হোয়, অসিগুম্না ওইবা য়াই মদুদি মমাং মপোক্তা করিগুম্বা খরা তৌবা ওইরগদি মসি মপোক্তা পুন্নমক হোংবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি মমাংগী মপোক্কী ভাৱগী মথা-পোন্না পরিণামগী মওং ওইনা ঙসিগী ব্যাবহার লাকপ্রা?

**দাদাশ্রী :** মদুগী পরিণাম লাকই, অতোপ্পা লাক্তে। ভাৱ হায়বদি মরু অমসুং দ্রৱ্য হায়বদি পরিণাম। চানানগী মরু অমা হল্লগদি অসুক য়াম্না মতোন-চোংবা ওই!

মসি কলম অসিদি ঙাঙগদবা থক্নি। নুমিৎ খুদিংগী ভাৱনা তৌগদবনি। মসিদি মরু হুনগদবনি। হুল্লবা মতুংদা মহৈ ফংলবা মতমদা, মতমদুদা য়েংউ। মতমদু ফাও হার চাইদুনা লৈয়ু। মসি নত্তনদি, মসি ব্যাবহারদা করিগুম্বা অহোংবা পুরক্কদবা নত্তে, করিগুম্বা অমত্তফাও। অমসুং মসি লৈরিবা অসিদি, মদুদি অরিবদুনি।

হায়বদি মসি কলম ৯শিংনা করি হায়বগে? 'হে দাদা ভগৱান! ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু।' হৌজিক মীয়াম্না করি হায়বগে? 'মসিদি য়াথং ইন্বা য়াবা অদুগুম্বা নত্তে।' তৌইগুম্বসুং মসি তৌনবগীদমক নত্তে। অরে, জ্ঞান য়াওদবগী ৱাফম করিগী তৌবগে! মসি সংসারদা পুন্নমক্না হায় মদুদি, 'তৌ, তৌ, তৌ'। অরে, তৌগদবা ওইদে, খঙন্নবগী খক্তা ওইবা ওই। অমসুং মতুংদা 'ঐহাক্না অসিগুম্না তৌবা পামদে অমসুং (অসিগুম্বা ওইবা ওইখ্রবা) মদুগী ঐহাক্না পছতাবা তৌরি'। অসিগুম্না 'দাদা ভগৱান'গী মনাক্তা লাল্লে হায়জগনি। হৌজিক 'মসি তৌজররোই' অসিগুম্না হায়দনা, মদুদগী অদোমগী ওপীনিয়ন তোঙান তারে। মতুংদা তৌবা মদুগী অকায়বা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ওপীনিয়ন তোঙান তারগদি নাম্থোক্লে! মসি মোক্ষ লম্বীগী অরোন-অথুপনি, মদু জগতকী লক্ষ্যদা লৈবা ওইদেদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মীয়াম্না 'ডিসচার্জ' থক্তদা হোংবা পাম্মী, পরিণাম থক্তদা হোংবা পাল্লি মসিগী মীয়াম্না?

**দাদাশ্রী :** হোয়। হায়বদি জগত্তি মসি লক্ষ্য খঙবা ওইদে, মসিগী জ্ঞান লৈতে। ঐহাক্না মহাকপু ওপীনিয়ন্দগী নাম্থোকহন্বা পাম্মী। হৌজিক 'মসি অরাম্বনি'

অসিগুম্না অদোমগী ওপীনিয়ন ওইরে। মরমদি অহান্বদা 'মসি অচুম্বনি' অসিগুম্বা ওপীনিয়ন লৈরম্মী অমসুং মরমদুনা সংসার লেপতুনা লৈরি অমসুং হৌজিক 'মসি অরান্বনি' অসিগুম্বা ওপীনিয়ন ওইরে, মদু ওইরগদি নাম্বোক্লে। হৌজিক মসি ওপীনিয়ন করিগুম্বা সনয়োগতা মতুংদা হোংলোই- দবনি!

মসি কলম ৯শিং নুংতিগী ঙাংবদগী তপ্না-তপ্না কনাগুম্বগী লোয়ন্না থৎনা-চৈন্বা করিগুম্বা অমত্তা লৈররোই। মরমদি মশাগী ভাৱ লৈবা ওইদে। হৌজিক 'রিএক্সনরী' লৈবদু, মদুমথৈ অহেন্বা লেমহৌরি। মদু তপ্না-তপ্না হন্থরকপা ওইগনি।

## মহাত্মাশিংগীদমক, মদু চার্জ নত্রগা ডিসচার্জ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ভাৱ অমসুং ভাৱনা, মসি অনীগী মরক্তা করি থেন্নবা লৈবগে?

**দাদাশ্রী :** মখোয় অনী 'চন্দুভাই'দা লাক্লে! তৌইগুম্বসুং অদোম্না হায়বা চুম্মী, ভাৱ অমসুং ভাৱনাদা থেন্নবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** ভাৱনা পবিত্রা ওইবা ওই অমসুং ভাৱদি অফবসু ওই অমসুং ফত্তবসু ওই।

**দাদাশ্রী :** নত্তে। ভাৱনা পবিত্রা ওইবা ওই অসিগুম্না নত্তে। ভাৱনাদি অপবিত্রা ওইবা অদুসু মনুংচল্লি। কনাগুম্বগী ময়ুম মৈ থাদোক্লবগী ভাৱনা লৈবা ওই অমসুং কনাগুম্বগী ময়ুম শানবগী ভাৱনসু ওইবা ওই। হায়বদি ভাৱনাগী শীজিন্নবা মাইকৈ অনীমক্তা ওইবা য়াই, তৌইগুম্বসুং ভাৱ মদু চার্জনি অমসুং ভাৱনা ডিসচার্জনি।

ঐখোয়না মনুংদা ফাওবা ওই মদুদি ঐহাক্না অসিগুম্না তৌগনি, অসিগুম্না ভাৱ ওইবা অদু, মদুসু ভাৱনানি, মদু ভাৱ নত্তে। তশেংবদি ভাৱদি মদুনি মদুদি চার্জ ওইবা।

হায়বদি ভাৱকর্মদগী মসি সংসার অসি শেম্লি। ঐখোয়দগী করিগুম্বা থবক পাংথোক্লগদি, মদু ওইজরবসু ভাৱদি অসিগুম্না থম্মু। ঐখোয়গী মসিদা (অক্রম লম্বীদা) ভাৱবু মাংহল্লি। মপানগী মীওইশিংনা ভাৱকর্ম তৌগদবনি। হায়বদি শক্তী নীগদবনি। কনাগুম্বনা পাম্বা শক্তী অদু, মদুগী শক্তী দাদা ভগৱানগী

মনাক্তা নীগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মপানগী, জগত মীয়াম্না, মখোয়না মসি শক্তী অসি নীগদবনি, মদু ওইরগদি ঐখোয়গী মহাত্মা শক্তী নীরিবদু, ভাৱনা তৌরিবদু, মদু করিদা চৎপগে?

**দাদাশ্রী :** মহাত্মা শক্তী নীরিবদু, মদু ডিসচার্জতা লৈ। মরমদি ভাৱনা মখল অনীগী ওইরি, চার্জ অমসুং ডিসচার্জ অনী। জগতকী ব্যাবহারদা মীয়াম্নসু ভাৱনা ওইবা ওইরি অমসুং মসিদা ঐখোয়নসু ভাৱনা ওইবা ওই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী ভাৱনা ডিসচার্জ মওংদা লৈ অমসুং মখোয়না চার্জ-ডিসচার্জ মওং অনীমক্তা ওইবা ওইরি। তৌইগুম্বসুং শক্তী নীবদা করি কায়বা লৈবগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** মপানগী মীয়াম্না কলম ৯গী শক্তী নীরগদি, মদু ওইরগদি মদু ভাৱ কৌই অমসুং মহাত্মা শক্তী নীরগদি, মদু ওইরগদি মদু ভাৱ কৌরোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** মপানগী মীয়ামগীদমক মদু ভাৱ কৌবা ওই অমসুং ঐখোয়গী মহাত্মাশিংগীদমক মসি ভাৱনানি। ৱাফম চুম্মী। মদু ভাৱ কৌবা ওই, চার্জ কৌবা ওই অমসুং মহাত্মাশিংগী ওইনা ডিসচার্জ কৌবা ওই, ভাৱ কৌবা ওইদে।

## ভাৱ, একজেক্ট ডিজাইনগী মথা-পোন্না

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি কলম ৯শিংদা হায়রিবা অসিগুম্না, মদুগুম্না ঐহাক্কীসু ভাৱনানি, অপাম্বনি, ওপীনিয়নসুনি।

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না থাঙৈশেংনা মাল্লি মদুদি মতম অয়াম্বদা অসিগুম্না তৌদুনা লৈরম্মী, তৌইগুম্বসুং তশেংবদদি অসিগুম্না নত্তে। মশোমলোমদা লুকথবা ওই, মসি ৱাফম অসি অচুম্বনি তৌইগুম্বসুং মদুগী লুকথবা অদু লেংদবা মওংদা মসিগুম্না ওইগদবনি। ডিজাইনগী মথা-পোন্না ওইগদবনি। লুকথবদুদি ওইবা ওই, সাধু-সন্তশিংবু অৱাবা পীরোই অসিগুম্বা অপামবদি লৈবা ওইদনা! তৌইগুম্বসুং মদু ডিজাইনগী মথা-পোনগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** ডিজাইনগী মথা-পোন্না হায়বদি করম তৌনা, দাদাজী?

**দাদাশ্রী :** মদুদা ইরিবদু মদুগী মথা-পোন্না, একজেক্টনেস। মসি নত্তনদি অসুম ওইনদি ঐহাক্না সাধু-সন্তশিংবু অৱাবা পীরোই অসিগুম্না ওইবা ওই, মদু

ওইজরবসু মখোয়বু অৱাবা পীবা ওই। মদুগী মরম করিনো? মতমদুদা হায়, ডিজাইন মখা-পোন্না নত্তে মহাক্কী। মদু ডিজাইনগী মখা-পোন্না ওইরগদি অসিগুন্না ওইরোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি কলম ৯শিংসি, মখোয়বু জ্ঞানতানা পুন্সিদা পুরক্কদব্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, অসিগুন্না জ্ঞানতানা পুরক্কদবা নত্তে। ঐহাক্না করি হায়বগে হায়বদা মসি ঐহাক্না হায়রিবসি অসিগুন্না শক্তী থক নীয়ু। মদুগী শক্তী অদুনা অদোমবু মদুদা একজেক্টনেসতা পুরক্কুনা থমগনি। অদোমগী জ্ঞানতাবদগী তৌগদবা নত্তে। অসিগুন্না ওইথোকপা ঙমদে, মীওইবনা তৌবা ঙমদে। করিগুম্বা জ্ঞানতানা তৌগে তৌরবদি ওইথোক্কদবা ওইদে। মহৌশাবু খুৎশিন্নৌ। মরমদুনা 'দাদা ভগৱান! শক্তী পীবিয়ু।' শক্তী মশা-মতোম্তা প্রগত ওইগনি। মতুংদা একজেক্ট ওইনা লাক্কনি।

মসিদি য়াম্না ৱাংবা পোৎনি। তৌইগুম্বসুং খঙবদা লাক্ত্রি ফাও মদুফাও পুন্নমক অসিগুন্না!

ঐহাক্না অসিগুন্না করিগী হায়বগে মদুদি শক্তী নীয়ু, শক্তী পীয়ু অসিগুন্না? মশামক্না ডিজাইন তৌবা ঙমদে। মচং-ওইবা ডিজাইন করম্না শাবা য়াবগে? হায়বদি(ঙসি)মসি ইফেক্টনি। মসি শক্তী নীরিবসি, মদু কোজনি অমসুং ইফেক্ট মতুংদা লাক্কনি। মদুগী ইফেক্ট অদুসু করিগী মখা পোন্না লাকপগে? দাদা ভগৱানগী মতেংনা পীরি। ইফেক্ট ভগৱানগী থ্রু(মতেংনা) লাক্কদবনি।

হায়বদি কলম ৯শিংগী মখা-পোন্না শক্তী নীদুনা লৈরগদি মশা-মতোম্তা মতুংদা কলম ৯শিংদা লৈগনি। কলম ৯শিংদা লৈদুনা লৈগনি মতুংদা, চহী কয়াগী মতুংদা।

# জগতকী মরি-মতাশিংদগী নাল্হোকন্বা

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি কলম ৯শিং পীরিবা অসি মসি ৱাখল, ৱাঙাং অমসুং শাজৎকী শেংন্নবগীদমক পীবনিদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, নত্তে। অক্রম লম্বীদা মসিগী দরকার ওইদে। মসি কলম ৯শিংদি অদোমগী মশীং-থিঙমদ্রবা মপোক কয়াগী ময়াম পুন্নমক্কা লোয়ন্না

হিসাব পুনশিনখিদনা, মদুগী হিসাবশিংদগী নাম্হোল্লবগীদমক পীবনি। অদোমগী একাউন শেংদোল্লবগীদমক পীরিবনি।

মরমদুনা মসি কলম ৯শিং ঙাংবদগী শমনবা অদু তৎপা ওইগনি। মীয়ামগা লোয়ন্না ৱায়র শম্নবা, মদুগী *রুণানুবনধ* (মমাংগী মপোক্তা নুংশিন্বা-য়েংথিন্বদগী পুনশিনখিবা কর্ম)দগী মোক্ষ থিংলি। মরমদুনা মসি রুণানুবনধ অসিশিংদগী নাম্হোল্লব গীদমক মসি কলম ৯শিংনি।

মসিবু ঙাংবদগী অদোমগী ঙসি ফাওবদা দোষ থোকখিবশিংদু, মথোয় পুম্নমক নোপ্পা ওইগনি। অমসুং মতুংদা মসিগী ফোলদি লাক্কনি। দোষ পুম্নমক চাকখ্রবা থৌরিগুম্না ওইবা ওইগনি, মতুংদা অসিগুম্না খুৎনা শোকপগা ঊৎ ওইনা ওনগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** দোষশিংগী প্রতিক্রমণ তৌন্বগীদমক ঐখোয়না কলম ৯শিং নুংতিগী ঙাংবা ওইরগদি মদুদগী শক্তী ফংগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** অদোম কলম ৯শিং ঙাংবা, মদু তোঙান্বনি অমসুং মসি দোষশিংগী প্রতিক্রমণ তৌবা, মদুনা তোঙান্বনি। দোষ ওইবা অদু, মদুগী প্রতিক্রমণদি নুংতিগী তৌগদবনি।

মপোক কয়া-কয়াদগী মীয়ামগা লোয়ন্না নুংশিন্বা-য়েংথিন্বগী হিসাব ওইবশিংদু, মদু রুণানুবনধ পুম্বা মসি কলম ৯শিংবু ঙাংবদগী নাম্হোল্লগনি। মসি প্রতিক্রমণনি, য়াম্না চাউবা প্রতিক্রমণনি। মসি কলম ৯শিংদা সংসার পুম্নমক্কী প্রতিক্রমণ লাকপা ওইরি। মসিবু ফজনা তৌ। ঐহাক্না অদোমবু উহন্বা ওইরি, মতুংদা ঐহাক্তি ঐহাক্কী লৈবাক(মোক্ষ)তা চৎখিগনিদনা!

# লৈ পুন্সি চুপ্পা শাজৎলোন্দা কলম ৯শিংগী, দাদাজীনা

অসিগুম্বনি, মসি মতমগী হিসাবতগী মীয়ামদা শক্তী য়াম্না লৈতে। শক্তী লৈরিবা অদুখৈ মদুমখৈ খুৎশিন্নরি। মসিখৈ ভাৱনা তৌরগদি মহাক্কী মথংগী মপোক্তা মীওইবা ওইবা মদু মাংলোই, মসিগী গেরেন্টি পীগে। নত্রগদি ঙসি ৮০% মীওইবা ওইবা লৈররোই অসিগুম্না ওইরে।

ঐহাক্কী মসি কলম ৯শিং লৈদনা, মখোয়দা খ্বাইদগী ৱাংবা ভাৱনাশিং লৈ। এক্সট্রেক্ট পুম্নমক মসিদা তুংদুনা লৈরি। মসি কলম ৯শিং ঐহাক্না পুন্সি চুপ্পা

য়াথং ইন্দুনা লাক্লি, হায়বদি মসি লন-থুম্নি। হায়বদি মসি ঐহাক্কী নুংতিগী পাংথোকপা লন-থুম্নি, মদুবু ময়ামদা ফোংদোক্লি। হায়বদি মীয়ামগী য়াইফন্বা মদুগীদমক। চহী কয়াদগী, চহী ৪০-৪০দগী লেপ্পা লৈতনা মসি কলম ৯শিং নুংতিগী ঐহাক্কী মনুংদা চত্থদুনা লৈ। মদুবু মীয়ামগীদমক ঐহাক্না ময়ামদা ফোংদোক্লি ( তাক্লি )।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঙসিদি ঐখোয়না 'দাদা ভগৱান! ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু' অসিগুম্না তৌদুনা ঙাংলি। মদু ওইরগদি মসি কলম ৯শিং অদোম্না কনাবু সমবোধিত তৌবগে?

**দাদাশ্রী :** মদু 'দাদা ভগৱান' ওইরম্লোই, তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা মীং অমা ওইরমগনি। তৌইগুম্বসুং মমীং শোয়দনা লৈরমগনি। মহাকপু খুশিন্নদুনা তৌদুনা হায়। মহাকপু 'শুদ্ধআত্মা' কৌরগসু নত্রগদা অতোপ্পা অমবু কৌরসু। মদু মহাকপু খুৎশিন্নদুনা ঙাংলম্মী।

ক্রমিক লম্বীগী অসুক্কী মতীক চাউবা শাস্ত্রা পাবা নত্রগা মতুংদা খালি কলম ৯শিং থক ঙাংলগসু য়াম্না য়াইফারে! মসি কলম ৯শিংদা অদুক্কী মতীক শক্তী তুংদুনা লৈ। অদুক্কী মতীক অঙকপা শক্তীনি, তৌইগুম্বসুং মসিবু খঙবা ওইদেদনা! মসিদি ঐহাক্না খঙহল্লবা মতমদা খঙগনি অমসুং মসিগী মমল খঙবা ওইরে অসিগুম্না করম কান্দা হায়গনি মদুদি কনাগুম্বনা ঐহাক্কী নাক্তা লাক্তুনা হায়রগদি মদুদি 'মসি কলম ৯শিং ঐহাক্না য়াম্না পাম্মী' অমসুং খঙবা য়াবা মদুগুম্বনি মসি কলম ৯শিং পুন্নমক।

মসি কলম ৯শিং করিগুম্বা শাস্ত্রা অমত্তদা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না মদুগী য়াথং-ইনবা অমসুং মতম চুপ্পাদা ঐহাক্না থাগোন্নদুনা লৈ, মদুবু অদোমদা তৌন্নবগীদমক পীরি। ঐহাক্কী তৌথোরকপা শাজৎ মদুগুম্না মসি কলমশিং ইথিবনি। মসিগী কলম ৯শিং মখা পোন্না ঐহাক্কী শাজৎলোন ওইবা ওই, মদু ওইজরবসু ঐহাক ভগৱান হায়না কৌরোই। ভগৱানদি, মনুংদা লৈরিবা মদুনি ভগৱান! মসি নত্তনদি, কনাগুম্বা মীওইবদগী অসিগুম্বা শাজৎলোন ওইথোকপা ঙমদে।

লোক ১৪গী এক্সট্রেক্টনি মসিখক্তদা। মসি কলম ৯শিং ইরিবদুদা, মদুদা লোক ১৪গী এক্সট্রেক্ট লৈ। *লোক* ১৪ পুম্বগী শঙ্গোম অফম্বা অদু, মদুবু উংদুনা

মসি মকখন লৌথক্তুনা ঐহাক্না থল্লি। মরমদুনা মখোয় ময়াম কয়াদা পুন্য লৈরিবা মদুদি (অক্রম লম্বীগী) লিস্টা ফমদুনা মোক্ষতা চৎলি! হোয়, নিয়ম মসি থক্তনি মদুদি খুৎ-মপানদা থিনদোক্কনু!

মসি কলম ৯শিংদি করিগুম্বা মফমদা ফংবা ওইদে। কলম ৯শিংদি *পূর্ণ পুরুষ* থক্তনা ইবা ঙম্মী। মহাক (অসুম্না হেক্তা) ফংবা ওইদেদনা, মহাক লৈরগদি মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি!

# ৱীতরাগ ৱিজ্ঞানগী এক্সত্রেক্ট

মসি ভাৱনা তৌবা মতমদা করম্না তৌগদবগে? পাবা মতমদা সবদ খুদিংমক মীৎমাংদা উবা ওইগদৱা। করিগুম্বা 'অদোম পারি' অসিগুম্না 'উবা ওইরগদি' মতমদুদা অদোম অতোপ্পা মফমদা লুপতুনা লৈতে। মসি ভাৱনা তৌবা মতমদা অদোম অতোপ্পা মফমদা লৈরোইদবনি। ঐহাক্না মীৎকুপ অমফাও অতোপ্পা মফমদা চৎতে। মদুগী লম্বী অদুদা অদোমসু লাকপা মখৌ তাইদনা? ঐহাক্না লৈরিবা মফমসিদা মদুমক্তদা! মসি ভাৱনা তৌবদগী মপুংফাবা ওইদুনা লৈগনি। ভাৱনদি মসিথক তৌবা য়োগ্য ওই।

হোয়, মসি ভাৱনা পূক্নীং-ৱাঙাং-হকচাংগী অমত্তা ওইনা ঙাংউ। মরমদুনা মসিবু শুংশোয়-শোয়দনা তৌ। মরমদুনা হৌজিক অদোম মসি কলম ৯শিংদি শুংশোয়-শোয়দনা তৌ। মসি কলম ৯শিং ৱীতরাগ ৱিজ্ঞান পুম্বগী এক্সত্রেক্টনি! অমসুং প্রতিক্রমণ-প্রতয়াখ্যান পুম্নমক মসিদা পুন্বা ওইরি। অসিগুম্বা কলম ৯শিং অতোপ্পা মফমদা থোক্লকপা ওইদ্রি। মসিগুম্না মসি ব্রহ্মচর্যগী লাইরিক থোক্লকপা ওইদ্রি, মদুগুম্না মসি কলম ৯শিংসু থোক্লকপা ওইদ্রি। করিগুম্বা মসি কলম ৯শিং পারগদি অমসুং ভাৱনা তৌরগদি মদু ওইরগদি মালেম অসিদা কনাগুম্বগা লোয়ন্না য়েক্নবা লৈররোই, পুম্নমক্কা লোয়ন্না নুংশি-চান্নবা ওইরগনি। মসি কলম ৯শিংদি শাস্ত্রা পুম্নমক্কী এক্সত্রেক্টনি।

**-জয় সচ্চিদানন্দ**

# শুদ্ধাত্মাগীদমক প্রার্থনা (নুংতিগী অমুক্তং ঙাংগদবা)

হে অন্তর্যামী পরমাত্মা! অদোম জীব খুদিংমক্তা বিরাজমান ওইরি, মদুগুম্না ঐঙোন্দসু বিরাজমান ওইরি। অদোমগী শক্তম মদু ঐহাক্কী শক্তম্নি। ঐহাক্কী শক্তম শুদ্ধাত্মানি।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! ঐহাক্না অদোমবু অমত্তা ওইবা ভাৱদগী খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তীগা লোয়ন্না খুরুমজরি।

অজ্ঞান্না মরম ওইদুনা ঐহাক্না**দোষ তৌখিবশিংদু, মদুগী দোষশিং পুম্নমকপু অদোমগী মাংদা হায়দোকচারী। মদুগী থম্মোয়শোক্না য়াম্না নুংঙাইতবা তৌজরি অমসুং অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি। হে প্রভু! ঐহাকপু ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু অমসুং অমুক হন্না অসিগুম্বা দোষ তৌদন্বা, অসিগুম্বা অদোম্না ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! অদোম অসিগুম্না ক্রিপা তৌবিয়ু মদুদি ঐহাকপু খেৎন্বা-ভাৱ নান্থোক্লবা অমসুং অমত্তা ওইবা শক্তম ফংহনবীয়ু। ঐহাক্না অদোমদা অমত্তা ওইবা শক্তমদগী তন্ময়াকার লৈগে।

**(তৌখি-তৌখিবা দোষশিং অদু, মদুবু পূর্ক্লীংদা নীংশিংউ।)

# প্রতিক্রমণ বিধি

প্রত্যক্ষ 'দাদা ভগৱান'গী সাক্ষীদা, হকচাং ওইরিবা(কনাগুম্বগী মথক্তা দোষ তৌখিবা, মদুগী মীওই অদুগী মমীং)গী পূর্ক্লীং-ৱাহৈ-হকচাংগী য়োগ, ভাৱকর্ম-দ্রব্যকর্ম-নোকর্মদগী তোঙান্বা ওইরিবা হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান, অদোমগী সাক্ষীদা, ঙসি ফাও ঐহাক্না তৌখিবা** দোষশিং, মদুগীদমক ঙাকপীয়ু হায়জরি। থম্মোয়-শোক্না নুংঙাইতবা তৌজরি। ঐহাকপু ঙাকপীয়ু। অমসুং অমুক হন্না অসিগুম্বা দোষ কৈদৌঙৈদা তৌদনবা, অসিগুম্না লেংদবা ৱাশক লৌরি। মদুগীদমক মতোনলোম্বা শক্তী পীবিয়ু।

**অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা, বিষয়-বিকার, কষায় অসিনচিংবদগী কনাগুম্ববু অৱাবা পীখিবা, মদুগী দোষশিংবু পূর্ক্লীংদা নীংশিংউ।

# Persons to Contact

## Dada Bhagwan Parivar

**Adalaj** : Trimandir ,Simandhar City ,Ahmedabad-Kalol Highway

Po/Adalaj , Dist.: Gandhinagar-382421, Gujarat, India.

Tel : +91-9328661166/ 9328661177

Email :info@dadabhagwan.org

| | | | |
|---|---|---|---|
| **Mumbai:** | 9323528901 | **Delhi:** | 9810098564 |
| **Kolkata:** | 9830093230 | **Chennai:** | 7200740000 |
| **Jaipur:** | 9351408285 | **Patna:** | 7352723132 |
| **Bhopal:** | 9425024405 | **Amravati:** | 9422915064 |
| **Indore:** | 9039936173 | **Bangalore:** | 9590979099 |
| **Raipur:** | 9329644433 | **Hyderabad:** | 9989877786 |
| **Chandigarh:** | 9780732237 | **Pune:** | 9422660497 |
| **Kanpur** | 9452525981 | **Jalandhar**: | 9814063043 |
| **Bhubaneswar** | 8763073111 | **Sangli:** | 9423870798 |
| **Varanasi** | 9795228541 | | |

| | |
|---|---|
| **U.S.A:Dada Bhagwan Vignan Institute**<br>Tel:+1 877-505-DADA(3232)<br>Email: info@us.dadabhagwan.org | **U.K: Dada Darshan (UK)**<br>Tel: +44 330-111-DADA(3232)<br>Email: info@uk.dadabhagwan.org |
| **Germany** :+49 700 32327474<br>**UAE:**+97 1557316937<br>**Kenya:**+254 795-92-DADA(3232)<br>**Dubai**: +971 501364530 | **Australia**:+61 402179706<br>**New Zealand**:+6421 0376434<br>**Singapore:** +65 91457800 |

**www.dadabhagwan.org**

## এক্সত্রেক্ট, শাস্ত্রাশিং পুন্নমক্কী

ক্রমিক লম্বীগী অদুক্কী মতীক চাউবা শাস্ত্রা পাবা নত্রগা থালি মসি কলম ৯শিং ঙাংলগসু য়াম্না য়াইফরে! কলম ৯শিংদা অঙকপা শক্তী লৈ! মসি কলম ৯শিং করিগুম্বা শাস্ত্রাদা লৈতে তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী পুন্সিদা ঐহাক্না মদুগুম্বা ভাৱনাশিংগী য়াথং-ইন্বা অমসুং মদুগী মথক্তদা ঐহাক্না অনম্বা মতমদা এপলাই তৌই অদোমবু তৌন্বগীদমক পীরি। মরমদুনা হৌজিক অদোম মরু ওইনা মসি কলম ৯শিং ঙাংউ মসি কলম ৯শিং অসি ৱীতরাগ ৱিজ্ঞান পুন্নমক্কী এক্সত্রেক্টনি!

-দাদাশ্রী

मूल दीपक से प्रकटे दीपमाला

dadabhagwan.org

ISBN 978-93-91375-44-7

9 789391 375447

Printed in India

Price ₹ 40